2413

ꯃꯩꯇꯩ ꯄꯨꯡꯂꯣꯟ ꯁꯩꯀꯣꯟꯅꯕꯤ ꯇꯥꯡꯀꯞ ꯄꯔꯦꯡ

মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং



মৈকাম থোইবা সিংহ

ꯃꯩꯇꯩ ꯄꯨꯡꯂꯣꯟ ꯁꯩꯀꯣꯟꯅꯕꯤ ꯇꯥꯡꯀꯄ ꯄꯔꯦꯡ

মৈতৈ পূঙলোন শৈকোন্নবী তাঙ্কপ পরেং

মৈকাম থোইবা সিংহ

MEITEI PUNGLON SHEIKONNABI TANCHAP PARENG
a collection of Meitei Punglon
Sheikonnabi Tanchap pareng
By M. Thoiba Singh

অকোঙবা : Cultural Research Centre Manipu
Kha Naorem Leikai M.U. 1st Gate

অহানবা কোঙবা : জানুৱারী, ১৯৯৭
কপী : ১০০০

অনীশুবা
শেমদোক্লবা খুৎলম : ৬ নবেম্বর, ২০১৩
কপী : ১,০০০

স্বত্ব পুন্নমক অইবগীনি

ISBN 978-93-8320-05-1

9 789383 201051

মমল : লুপা ২০০/-
ফংকম : অইবা অমসুং লাইরিক য়োনবা দুকানশিং

নম্ফম : শ্রীশ্রীরাধাকৃষ্ণ প্রিন্টিং রার্ক
এয়ারপোর্ট রোড, ইম্ফাল।

কৎথোকচবা

লাইরিক অসি কলা সংস্কৃতিবু
য়োকখৎপা পামজবা অমসুং
নুংশিজবা মীওইশিংগী মফমদা
কৎথোকচরে।

— অইবা

ৱামাঙ য়ানবা ৱাহৈ খরদং

শ্রীমৈকাম থোইবা সিংহনা ইবা 'মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চব পরেং' কৌবা লাইরিক অসি নট সংকীর্ত্তনগী থাদোক্লবা য়াদ্রাবা, মরুওইবা লাইরিক অমা ওইগনি। নট সংকীর্ত্তন হায়বসি মণিপুরী বৈষ্ণবশিংগী লাইনিং লাইশোলগা মরি লৈনবা মপূংওইবা ঈশ্বর ভক্তিগী লম্বী অমনি। মসিদা য়ুম্ফম ওইরগা অইবনা নট সংকীর্ত্তনগী মশক, মসি শেম্লকপগী ৱারোল, মসিগী মূর্ত্তি শাগৎলকপা, মহাক্কী অকুপ্পা কয়াৎ (ক্রম), মখল, মনুংগী ৱারী মপুঙ মসিগী গুণ অমসুং কান্নবা, রাসকা লৈনবা মরী, ফিজেৎ- লৈতেং অমসুং তাললিপি, অসিনচিংবা কান্নগদবা হিরমশিং অসি অপাবশিংদা খঙহন্নবা শম্না লৈনরি। মতুংদা লাইরিক অসিগী মরুওইবা হিরম ওইরিবা মৈতৈ পূঙগী খোন্থোক অমসুং খুৎকী খুৎফম, মৈতৈ পূঙ য়ৈবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ কাংলোন, পূঙলোন অমসুং ঈশৈ ইবদা শীজিন্নরিবা খুদমশিং, অরোইবদা তাঞ্চপ পরেং অসিনচিংবা অসি মথং মথং তাক্লনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা মখলগী লাইরিক অসি মনিপুরদা য়াম্না তাঙনা থোকই। লাইরিক- লাইশুগী জ্ঞান মপুং ফানা লৈরবা, হিরম অসিদসু মমুৎ তানা নৈনরবা ছাত্র অমনা মখল অসিগী লাইরিক পূথোকপা হায়বসি য়াম্না তঙায় ফদে। হৌজিক হিরম খুদিংমক্তা ছাত্রশিংনা তম্লনবা লাইরিক্কী মশিং অসি য়াম্না ৱাৎলি। মসিনা ছাত্র অমনা মপুং ফানা জ্ঞান তানশিনবদা খুরৌ চেলহল্লি। মসিগী অৱাৎপা লৈরিবা অসিগী মরক্তা লাইরিক অসি পুথোরকপা অসিনা অহাঙবা খরদি মেনশিনবা ঙমগনি।

হিরম অসিদা নহা ওইরিবা অইবা অসি অনৌবা নত্তে। মমাঙদসু মৈতৈ পূঙগা মরি লৈনবা লাইরিক অমসু পুথোকখ্রে। হিরম অসিদা লাইরিক মথং মথং ফোঙদুনা মণিপুরদা থেংনরিবা অৱাৎপা অমা মেনশিন্নবা হোৎনরিবা অসি পূম্নমক্কা পুক্কিং থৌগৎপিফম থোকই। কলাবিদ্যাগী হিরম অসিদা

লাইরিক- লাইশু হৈরবা ইবুংঙো- ইবেম্মশিংগী মিৎয়েং অসি য়াম্না ৱাংলি। মখোয়গী পুক্নিংদা মসিবু মরিং- মরাংবা, হন্থবা বিদ্যা অমা ওইনা লৌরি। মসিগী মিৎয়েং অসি শেমদোক্তুনা মতমগী চৈথেং য়ৌহনবা তঙায় ফদবা ওইরক্লি। মসিগী অহানবা লম্বীদি লাইরিক মথং মথং পুথোকপা অসিনি। পাক্লবা মণিপুরীগী কলা- বিদ্যাগী মাইগৈদা শক তাকপা য়াম্না দরকার ওইরে। মসি ষ্টেজ অমসুং শুমাঙদা থোকপতনা ওইবা য়ারক্রে। লাইরিক ওইনা পুথোক্তুনা ঐখোয়না তৌরিবসি অসিনি হায়না খংহনবা তঙায় ফদ্রে। মসিদা লাই ওইরবা ওজা- গুরুশিং অমদি হিরম অসোমদা চঙশিল্লক্লিবা নহারোলশিং অনিগী খুৎ- শম্লবা মরু ওইরক্লি। অহল- লম্মনশিংগী লৈতারবা মরুদা নহারোলশিংগী অনৌবা খুনাম থম্লবা হোৎনফম থোকই। মদুনা অনৌবা মপোক অমা পীবা ঙমগনি। শ্রীমৈকাম থোইবা সিংহনা মৈতৈ পুঙগা মরি লৈনবা হিরম অমদা ওজা- গুরুশিংদগী লৌজরুবা লন খরদা য়ুম্ফম ওইজরগা তুংগী মাইগৈ অসোমদা খোঙদারক্লিবা ছাত্রশিংগীদমক লাইরিক অসি পুথোরকপা অসি থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

লোংজম জয়চন্দ্র
দিরেক্তর
জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স
একাদমি, ইম্ফাল

'থাগৎ ৱাহৈ'

শ্রীমৈকাম থোইবা সিংহনা ওঝা গুরু কয়াদগী থিজিন্দুনা ইথোক্লিবা "মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং" হায়বা লাইরিক অসি ঐ হৌবদগী লোইবা ফাওগা পাজরে। লাইরিক অসিনা নট সংকীর্ত্তনগী মশক, থৌরম, মখলশিংগী মরমদা য়াম্না তেনতক্লা মরীক চুম্না ইরি।

মসিগী মমাংদসু অহানবা ওইনা 'মৈতৈ পুঙলোন রাগ' হায়বা লাইরিক অমসু ফোংখ্রে। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা 'মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তানচপ পরেং' হায়রিবা লাইরিক অসি অনিশুবা ওইনা পুথোরকপা অসিদা ঙক্তবা ঙমদে। অমদি থৌদোকসিদা লাইরিকপু থৱাই য়াওনা ইজরিবা শ্রীথোইববু থাগৎচরি। লাইরিক অসি নট সংকীর্ত্তনবু পামজরিবা মীওই, ছাত্র কয়াগী মফমদসু হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নবা ওইবতা নত্তনা নট সংকীর্ত্তনগী মশক অসি মাঙখ্রগদ্রা হায়বগী ৱাখলদা মীপাইজবগা লোইননা অৱাবা ওইরিবা, খঙহৌদনা অথুবা মতমদা পুথোরকপা অসি ঐ, ঐতগী নত্তনা মীপুম খুদিংমক্কী কান্নগনি।

মহাক্লা নহারোল মরক্তগী অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা থবক অসি পায়খৎলক্লিবা অসিদা ঐহাক্লা শ্রীথোইববু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মসিগী মতুংদসু পুঙ-ঈশৈগী মরমদা গুণ লৈরবা লাইরিক কয়া পুরেকখিগনি হায়না খল্লি।

শ্রীএলাংবম চাউভল সিংহ
কৈশ্যামথোং ইরোমপুখ্রি
মপান।

ৱাহৈ খরদং

শ্রীমৈকাম থোইবা সিংহনা ইবা মৈতৈ পুঙলোনগী মরমদা ইবা অনীশুবা লাইরিক "মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং" হায়না মিংথোনবা লাইরিকসিদা মপুঙ ওইনা নৈনরিবসি চাওরাকপা হীরম অহুমদনি হায়বা তাই। মদুদি নট সংকীর্ত্তনগী চাওরাকপা মশক অমা তাক্লবা হোৎনবা, পুঙগী খোল্লোক অমসুং য়ৈনবগী কাংলোন অমসুং নট সংকীর্ত্তনগী মনুংদা শীজিন্নরিবা শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং হায়বসিদনি। মৈতৈগী লাইগুরুশিংনা থম্মীরম্বা শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং কয়া ঙসিগী নহারোলশিংনদি থোইনা শক্লরক্রবা মাংশিল্লকখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা কয়াদুবু মাংখিদনবা নোটেসনগা কোন্না পুথোরক্লিবা অসিমক গুক্লিং থৌগৎনিংঙাইনী। অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা ওজাশিংগী চিনবুংদা অয়াম্বা ওইনা লৈরিবা কলাসিগী মচাকশিং অসিবু য়োকখৎপা হায়বসি তঙাইফদবনি। নহা ওইজরবসু মৈতৈ পুঙগী মরমদদি থোইদোক্লা মনুং হুঞ্জিন্না থিবগী খোঙজঙ চংশিল্লীবা শ্রীথোইবনা ওজা- গুরু কয়াগী মফমদগী থিজিন- হুমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মহাক্লা কলা অসিবু তশেংনা নুংশিজে হায়বদু ময়েক শেংনা তৌরক্লিবা থবকশিং অসিনা তাকই। লাইরিক অসিনা মৈতৈ পুঙ তমখৎচরক্লিবা ছাত্রশিংদা কান্নবা কয়া পীগনি হায়বদু চেৎনা থাজে। মতুংদশু শ্রীথোইবনা মৈতৈ পুঙগী মরমদা মমল নাইদ্রবা লাইরিক কয়া পুথোকপা ওইসনু।

ডাঃ পীঃ গুনিন্দ্র
এসিঃ প্রোফেসর, মণিপুরী
বিভাগ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি।

‘থাগৎ ৱাহৈ’

শ্রীমৈকাম থোইবা সিংহনা ওঝা গুরু কয়াদগী থিজিন্দুনা ইথোক্লিবা “মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং” হায়বা লাইরিক অসি ঐ হৌবদগী লোইবা ফাওগা পাজরে। লাইরিক অসিনা নট সংকীর্ত্তনগী মশক, থৌরম, মখলশিংগী মরমদা য়াম্না তেনতক্না মরীক চুম্না ইরি।

মসিগী মমাংদসু অহানবা ওইনা ‘মৈতৈ পুঙলোন রাগ’ হায়বা লাইরিক অমসু ফোংখ্রে। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা ‘মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তানচপ পরেং’ হায়রিবা লাইরিক অসি অনিশুবা ওইনা পুথোরকপা অসিদা ঙক্তবা ঙমদে। অমদি থৌদোকসিদা লাইরিকপু থৱাই য়াওনা ইজরিবা শ্রীথোইববু থাগৎচরি। লাইরিক অসি নট সংকীর্ত্তনবু পামজরিবা মীওই, ছাত্র কয়াগী মফমদসু হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নবা ওইবতা নত্তনা নট সংকীর্ত্তনগী মশক অসি মাঙখ্রগদ্রা হায়বগী ৱাখলদা মীপাইজবগা লোইননা অৱাবা ওইরিবা, খঙহৌদনা অথুবা মতমদা পুথোরকপা অসি ঐ, ঐতগী নত্তনা মীপুম খুদিংমক্কী কান্নগনি।

মহাক্না নহারোল মরক্তগী অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা থবক অসি পায়খৎলক্লিবা অসিদা ঐহাক্না শ্রীথোইববু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মসিগী মতুংদসু পুঙ- ঈশৈগী মরমদা গুণ লৈরবা লাইরিক কয়া পুরেকখিগনি হায়না খল্লি।

শ্রীএলাংবম চাউভল সিংহ
কৈশ্যামথোং ইরোমপুখ্রি
মপান।

থাগৎ - ৱাহৈ

"মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং" হায়না কৌবা শ্রীমৈকাম থোইবা সিংহনা মতম চংনা ওজা- গুরু কয়াগী মফমদগী তমজরগা অমদি লাইরিক লাইশু য়াম্না পারগা পুথোক্লিবা লাইরিক অসি মকোক্তগী লোইবা ফাওবা পাজরে। লাইরিক অসিদা নট সংকীর্ত্তনগী মশক, হৌরকফম, মখলশিংগী মরমদা য়াম্না তেনতক্না মরিকচুম্না নৈনরি, লোইননা ওজাশিংনা থম্বীরম্বা তাঞ্চপ পরেং খরদং পুঙলোন অমসুং ঈশৈগা কোন্ননা য়াওরি। মরুওইনা পুঙ য়ৈবগী কাংলোন খরসু য়াম্না মরিক চুম্না য়াওরি। অইবা অসিগী "মৈতৈ পুঙলোন রাগ" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। অদুগা ইকুই কুইদনা হন্দকসু অনীশুবা ওইনা লাইরিক অসি পুথোক্লকপসিদা ঙক্তবা ঙমদে। লাইরিক অসি পুঙ- ঈশৈদা থৱায় য়াওজবা কলা প্রেম্মীশিংগীদমক্তদি থোইদোক্না কান্নরবা লাইরিক অমা ওইগনি হায়না খল্লি। মহাকুম্বা নহারোল মরক্তগী অসিগুম্বা চাওরবা থবক অসি পায়খৎলক্লিবা অসিগীদমক্তা ইচা অসিগী হোৎনবা কনবা তন্দবা অসিবু ঐনা থম্মোই শোক্না থাগৎলি অমসুং থম্মোয়গী অপেনবগা লোয়ননা মঙোন্দা আশীর্ব্বাদ পীরি। অসিনা মরম ওইদুনা হীর অসিদা হেন্না থিজিল্লগা ইথোরক্তুনা মগুণ নৈরবা লাইরিক কয়া পুথোরকখিগনি আশা তৌই।

শৌগাইজম থানিল সিংহ
সেলেক্সন গ্রেট
গুরু নট সংকীর্ত্তন (পুঙ)
জে, এন, এম, ডি, একাদেমী, ইম্ফাল

ৱাহৈ খরদং

করিগুম্বা হীরম অমা লৌখৎলগা ফিল্ডদা চৎতুনা মরী লৈনবা মচাকশিংদু খোমজিল্লগা পরিং নাইনা ইথোক্লদুনা মপুং ফাবা শক্তম অমা শেমদুনা পুথোকপা হায়বসি তরাই তরাইবা থবক অমদি ওইদে। মসিদা খোমজিল্লিবা মীওইদুগী তোঙান তোঙানবা মওংগী খুদোংথীবা কয়ামরুম হকথেংনরিবনি। অসিগুম্বা খুদোংথিবা কয়াসি মায়োক য়াদুনা শ্রীমৈকাম থোইবা সিংহনা "মৈতৈ পুংলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং" হায়না মীংথোনবা পুঙলোনগী লাইরিকসি পুথোকপসিদা ঐগী মায়কৈদগী মহাকপু থাগৎতবা ঙমদে। মাংলমচৎঙৈদগী চৎনবীগা য়াওল য়াতামিন্নদুনা লাক্লবা মণিপুরী (মৈতৈ) জাতিগী পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী মনুংচন্না পাঙথোক্লিবা থৌরমশিংদা ইচনতা চন্নরিবা মণিপুরী নট সংকীর্ত্তনদা য়াম্নামক মরুওইবা বাদ্যযন্ত্র অমা ওইরিবা মণিপুরী পুঙগী পুঙলোন তানচপ পরেং অসিগী ঈশৈগী কোন্নবা মচলশিং অসি লৌখৎলগা নোটেশনগী হৌনবী শাজৎ শাওংদা শেমদোক শাদোক্তুনা পুথোকইবা মওংসি চাওরাক্লা মপুং ফাই হায়জনিংই। লাইরিকসিদা য়াওরিবা মতাং মতাংগী ওইবা শল্লপ্পা ৱারী, ঈশৈ মতেক খর খর য়াওহন্দুনা ইথোরকইবা অসিনা মেথোদোলোজিগী মগুনদুসু খরমক ঙাক্তুনা চৎপগুম তৌই। ঙসিদগীনা চহী কয়াগী মমাংদা লাই ওইরবা ওঝা গুরুশিংনা অইবা ওইনা পুংগী ধুমেন, তাল কয়ামরুম থম্বিরমই। অদুতসু নত্তনা চীনবুংদা লৈবসু কয়া অমনি। হৌজিক্কী মতমদা চীনবুংদা লৈবা পুংগী তাল কয়ামরুমসি খোমজিল্লগা ইথোক্তুনা থম্বা হায়বসি তঙাইফদ্রবনি। মরমসিনা শ্রীথোইবনা ইথোক্তুনা পুথোরকইবা লাইরিকসি মতম চাই। লাইরিকসিবু পারুবগা পুক্নিংদা অসুম্না খল্লকই মদুদি- "মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তানচপ পরেং" অসিনা মণিপুরী সংস্কৃতিগী কলা কৃষ্টিগী মায়কৈদা থোইদোক্লা কান্নবা পীবা ঙমগনি। অসিতসু নত্তনা তমখৎলকইবা পুংয়ৈবা নহারোলশিংদা অচৌবা মতেংসু ওইগনি হায়বসু থাজবা পোকই।

ডাঃ ননীকুমার সিং
কাছাড় সোনাই

ৱাহৈ খরদং

নহা ওইরিবা ঐগী ইচা শ্রীথোইবনা মশাগী অচিনবা থবক কয়া থাদোক্তুনা ওঝা গুরুশিংদগী মতম চংনা থিজিন হুমজিল্লুরগা পুথোরকলিবা "মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং" হৌবদগী লোইবা ফাওবা পাজরে। ইচাশিংগী লাইরিকসি থোকলকপদা থম্মোইদা হায়নিংঙাই খঙদবা নুংঙাইবা অমা ফাওই, মরমদি তাইবং হায়বসি অশিবা মচানি নোংমদি শোইদনা শিগদৌরিবনি। লাইগুম্লবা ওজাশিং কয়া কয়া চৎখ্রবনি কলাশিগা লোয়ননা। অদুনা কলাসি নোংমা নোংমগী মাংশিল্লক্কে হায়বা য়ারবনি। অদুবু ইচা অসিনা ওজাশিংগা ইরোইননা চৎখ্রগদবা মাংখ্রগদবা চীংবুংদা অয়াম্বা লৈরিবা কলাশিবু লাইরিক ওইনা থম্বীরমদুনা তুংগী মীরোলগীদমক হোৎনবীরিবা অসি তশেংনমক থাগত্তবা ঙমদে।

লাইরিকসিদা নট সংকীর্ত্তনগী মরমদা তেল্তক্লা মরিক চুম্না তাক্লি। মসিগী মথক্তা পুঙগী খোন্থোক্কী মরমদসু মচা খায়ন ফজনা তাক্লি। থোইদোক হেন্দোক্লা পুঙ য়ৈবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ কাংলোনসু য়াম্না ফজনা মরিক চুম্না নৈনরি। অদুগা তাঞ্চপতা পুঙলোনগা ঈশৈগা কোন্ননা ইবসি ইচাগী অসিনা ইহান হানবা ওইরমগনি হায়না খঞ্জে। লাইরিকসি পুঙ-ঈশৈ তমখৎচরক্লিবা কলাপ্রেম্মীশিংগীদমক্তদি হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নগনি খল্লি। মতুংদসু অফ-অফবা লাইরিক পুথোকপা ঙম্বা ঈশ্বরনা থৌজানবীবা ওইরসনু।

লৌরেম্বম অঙ্গো সিংহ
অখনবা সনা পালা
নঃ ১ গী হিদং (পুঙ)

ৱাহৌদোক

অহানবদা শ্রীগুরুদেববু খুরুমজৈ। মথংদা শ্রীহরি সংকীর্ত্তনগী অথোইবা যন্ত্র ওইরিবা, রস মণ্ডানা তিল্লবা শ্রীগৌরচন্দ্রগী মশাক ওইরিবা পুঙবুসু খুরূমজৈ।

"মৈতৈ পুঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং" হায়না মিংথোনবা লাইরিকসি পুথোকচরুবগী পাওমদি নহা অমা ওইনা কলাসিবু নুংশিজদুনা ওজাশিংগী চিনবুংদা লৈরিবা মমল নাইদ্রবা নট সংকীর্ত্তনগী মচাকশিং অসি ওজাশিংনা থুপখিবগা ইরোইননা নোংমগী মশিং খণ্ডনা মাংশিল্লক্লিবাময়ামসি উজরুরগা, ময়েক অমত্তা ওইরবসু কঞ্জহৌবা ঙমগদ্রা হায়না খঞ্জরুবদগীনি।

লাইরিক অসিদা তাঞ্চপকী পুঙলোন অমসুং ঈশৈ অনীমক পুন্না হাপচরি, মরমদি শৈকোন্নবী হায়বসি য়ৈবদা অমদি শকপদা ঈশৈ শকপনসু পুঙলোন খণ্ডবা য়াদে, পুঙ য়ৈবনসু তণ্ডাই ফদনা ঈশৈ খণ্ডবা য়াদে। অসিগুম্বা অরুবা খরা লৈবনা অনীমক পুন্না হাপচিনবনি। অদুবু লুরিবা ৱাফম অমদি চপ মান্নবা তাঞ্চপ ঈশৈ অমদা ওজা ওজাশিংগী তোঙান তোঙানবা মান্নদবা পুঙলোন কয়ামুক লৈনৈ। মসি ওজাশিংনা ঈশৈগী ছন্দ য়েংলগা পুঙলোন শেম্নরম্বসু য়াই। মরম অদুনা লাইরিকসিদা য়াওরিবা পুঙলোনশিং অসিগা ওজাশিংনা পুবিরিবা পুঙলোনগা খরা শোয়না খেন্নবা য়াওরম্লবদি তোঙান তোঙানবা ওজাশিংগী মতনি হায়না লৌবীগনি। লাইরিক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা ঈশৈ ময়েকশিংসি লাইশ্রম ওজা ইবোহল মচাগী লাইরিক, "কীর্ত্তনগী শৈরেং", "মণিপুরগী চৎনবী নট পালাগী ঈশৈ" লোইননা অতৈ অতৈ ওজাশিংগী কোবের্বকশিংদগীনি।

লাইরিকসি পুথোক্লবা হোৎনবদা তান্নজখিবা ঈশৈগী ওজাশিং মিং ওইনা পনজরবদা খাঙেম্লম ওজা নোনো, এলাংবম ওজা চাওভল, ঐগ্যা কুল্লাচন্দ্র, শিনাম ওজা কোন্দুম, তেন্থা ওগা ইবোহনবী, পুঙগী ওজাদনা ওজা থানিল, ওজা মন্ত্রী, ওজা অঙ্গো, ওজাশিংগী শিংঙম্লরোইদবা লমন তোনশিল্লবনি। অরোইবদা হায়জনিংবদি ফনামক ব্রানা থিজিন খোমজিল্লুদুনসু অরুবা হীরম ঙাক্তা ওইবনা লাইরিকসিগী মফম খরদা অরান অশোয় য়াওরল্লবসু চানবীদুনা তাকপিরক্লবদি মদু পুল্লমক ইকোক থোংনা য়াজদুনা মথং খুৎনমদা শেমদোকচগনি। - অইবা।

অনীশুবা ফোঙবগী মতাংদা

জগৎ মঙ্গলগী মশক ওইবা শ্রী বিষ্ণুগী সংকীর্ত্তন অসিতনা মীওইবনা লংশিঞ্জবা পাপকী মপৈ পূম্নমকপু শ্রিৎ নান্না, অমত্তা খাক্তনা কোকথোকপীনবা অমত্তা ঙায়রবা পাশ্বেনি হায়বা শ্রীমদ্ভাগবৎ মহাপুরানগী ৱাফমবু গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপা মৈতৈশিংনা চেৎনা থাজখিবনা মৈতৈশিংগী পুন্সিদা নট সংকীর্ত্তন হায়বসি তৎন থানা য়াদ্রবা থৌরম অমা ওইদুনা নীংশিবা থোক্তবা মতমদগী ঙসি ফাওবা লাক্লি। মনিপুরী মৈতৈশিংগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা পন্সিগী ধর্ম্ম ওইরবা নট সংকীর্ত্তনগী পাক-চাওরবা সমুদ্রদগী শরুক মচেৎ অমতংবু লৌখৎচরগা ইজবা লাইরিক অসি অনীশুবা খুৎনম ওইনা অহানবা ফোংখিবা শরুক অদুদগী খরা হেন্না চাওখৎনা হাপ্তোক হাপচিন তৌদুনা শেমদোক্লবা লাইরিক অসিবু অনীরকশুবা ওইনা ফোংদোক্লবাগী দমত্তা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা "কলচরেল রিজার্চ সেন্টর মনিপুর" বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। লাইরিক অসিবু ফোংননবগীদমক্তা প্রুপ্পচিংবা লৌবিদুনা অচৌবা মতেং পাংবিখিবা ওঝা বিপ্রচান্দ সিংহবুসু পুন্সিগী শিংঙন্নরোইদবা লমন তোনশিল্লবনি। শ্রীশ্রীরাধা কৃষ্ণ প্রিন্টিং ৱার্কস অমদি সোসেল কম-ওক্ষ প্রিন্টিং ৱার্কসনা অচিনবা কয়া থাদোকপিদুনা লাইরিক অসিবু অথুবা মতমদা পুথোক্লবা হোৎনবীবগীদমক্তসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

- অইবা-

ওঝা ডা: মৈকাম থোইবগী লাইরিক অসি কলচরেল রিসর্চ সেন্টরগী ১৮ শুবা পব্লিকেসন্নি । অইবগী ওইনা সেন্টর অসিনা ফোঙবা পূঙগী অনীশুবা লাইরিক্নি । অদুগা সেন্টর অসিগী ওইনা নাৎকী কলাগী পূঙলোনগা মরী লৈননা ফোঙবা অহুমশুবা লাইরিক্নি । সি. আর. সি. এসনা লাইরিক অসিবু ফোঙনবগী থৌদাং লৌরুবগী মরমদি লমদম অসিগী নাৎকা কলাগা মরী লৈনবা তানলোনশিং মমাংঙৈদা চীনগা-খূৎখকতদা ফাদুনা মীরোল কয়া লান্নরক্লম্বদো চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ময়েক্তা ইথোক্তুনা তুংগী মীরোল কয়াগীদমক মুৎনাইদনা লৈহৌবা য়ালনবা লাইগুম্লবা ওজা গুরুকয়াগী মনাক্তা চঙজদুনা ব্রানা খোমজিল্লকপা লন অমা ওইবদুনি । লৈবাক্তা শকখঙলবা ওজা-গুরুশিং অদুনা মখা থাবা, মহৈরোইশিংদা তশ্নীরমদ্রবদি মখোয়গী পুন্সিনা থুপখিবদা তাঙলবা লনশিং অসি লোয়ন্দুনা চৎখি । অসিগুম্বশিং অসিদগী খজিক্তা ওইরবসু তুংগী চারোলগীদমক য়েংদুনা কঞ্জনবা অমদি সাহিত্যগী পুক্কৈদা লাইরিক অমা ওইনা হাপচিনজনবগী থৌদাং লৌজবনি ।

মনিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডান্স ডিপার্টমেন্টতা মৈতৈ পূঙগী গেষ্ট লেকচর ওইবিরিবা ওজা থোইবনা মতম কয়া চঙনা ওজাশিংগী মফমদগী খোমজিনবীহৌরিবসি লমদম অসিগী নাৎ কলা সংস্কৃর্তিবু য়োকখৎনবা হোৎনবীরিবা অশেংবা থৌমীনি হায়বদা হায়মননবা ওইররোই । ইরমদম অসিগী কলা সংস্কৃর্তিবু নুংশিজবা মীশক অমা ওইনা মখা-তানা লম অশোম্নদা খুৎ হায়খিনি থাজে । লাইরিক অসি ওইনবা হোৎনবদা পুক্লিং ব্রাখলদা নত্তনা পাঙ্গলগী মতেং পাংবিরকখিবা পুম্নমকপু কলচরেল রিসর্চ সেন্টরগী মায়কৈদগী তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি ।

সেক্রেটরী

(কৈথেল্লকপম মেঘচন্দ্র মীতৈ)

তাং ২৯।১০।১৩ ইং

কলচরেল রিসর্চ সেন্টর, মনিপুর

অফোঙবগী ৱারোল

লমদম অসিগী লিরবা নাৎকী মচল কয়া লৌথোকফম ওইরিবা লাই হরাওবা অমসুং পাফল থাঙলোনদা য়ুম্ফম ওইরগা হিন্দু নাট্য শাস্ত্র, গীতা, পুরান্নচিংবা জগোই ঈশৈগী মচি ওইবা শাস্ত্র কয়া লৌশিন্দুনা শাগৎলক্লিবা সংকীর্ত্তন হায়বসি ফজরবা সনা শঙ্গায় অমগুম্বনি । মসিবু উরুবা অয়েংবা অমসুং তারুবা ভাবকশিংগী পুক্নিং শুমহৎনফম ওইরি । মসিনা পুক্নিং ৱাখলবু শান্তি পীবত-নত্তনা পুন্সিগী অৱা-অনা পূম্নমক কাওদুনা অতোপ্পা তাইবং অমদা পুবগুম রসকী ঈরোলনুংদা চিংশিল্লি । ইনিংথৌ চিংথংখোম্বগী সনা মিৎয়েংখাদা শেম্মগৎচরক্কুনা মনিপুরী জাতিবু হেন্না মশক-মচু থোকপা পুন্সি মরেল অমদা লাকহল্লে । চীংলৈবাক ওইনা খঙবীরমদ্রবা লমদম অসে চহীলোল অসিদগীদি নাৎ অমসুং কলা-সংস্কৃতিগী মচাকশিংশিনা ঐখোয়বু অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মমাংদা লৈমজনফম ফিদা অমা ফংহল্লে ।

সংকীর্ত্তনগী মনুংদা য়াওরিবা মচলশিং অদুনা ঈশৈগা লোয়নদুনা তাম্থাশিং মতম চুপ্পগী চৎমিন্নরি । তালশিং অদুগী মনুংদা তানচপ মখলশিং অদুবু মপুং ওইনা "মৈতৈ পূঙলোন শৈকোন্নবী তাঞ্চপ পরেং" হায়না মিংথোন্দুনা তানলোনশিং অদু ইথোকপনি । মসিদা নত্তনা লাইরিক অসিগী মনুংদা নট সংকীর্ত্তন করিনো, করম্না হৌরকখিবনো, মসিগী মখল মওংনচিংবা য়াম্না মরীক চুম্বা নত্রগসু খরমখৈ খঙবা য়ানা য়াওরে । তাঞ্চপ মখলশিং ঈশৈ অমদি তানলোলগা লোয়ননা মচা তানা ইবিরি । লাইরিক অসি মৈতৈ পূঙগীদমক তমখৎলক্লিবা মহৈরোই অমদা য়াম্না কান্নগদবা খুৎপাই লাইরিক অমা ওইরগনি । মরুওইনা পূঙগী খোম্থোক, খুৎফম, তাললিশি, শীজিন্নরিবা ৱাহৈ কাঙলোন, তাললিপি ইবগী খুদমশিং অসিনচিংবা মহৈরোই অমনা খঙবদা কান্নগদবা মচাক কয়া য়াওরি ।

য়াওফম তাকপা

	হীরম		লামায়
১।	নট সংকীর্ত্তন	-	১-২
২।	নট সংকীর্ত্তন শেম্নকপা	-	২-৩
৩।	নট সংকীর্ত্তনগী মূর্ত্তি	-	৩
৪।	নট সংকীর্ত্তনগী কয়াৎ (ক্রেম)	-	৪-৭
৫।	সংকীর্ত্তনগী মখল	-	৮-৯
৬।	নট সংকীর্ত্তনগী ৱারী মপুঙ	-	৯-১০
৭।	নট সংকীর্ত্তগী গুণ	-	১০-১২
৮।	নট সংকীর্ত্তনগী কান্নবা	-	১২
৯।	রাস অমসুং নট সংকীর্ত্তন	-	১৩-১৫
১০।	নট সংকীর্ত্তগী ফিজেং লৈতেং	-	১৫-১৬
১১।	তাললিপি (নোটেসন)	-	১৬-১৭
১২।	তাললিপিগী কান্নবা	-	১৭
১৩।	মৈতৈ পুঙগী থোঙ্লোক অমসুং খুৎকী খুৎকম	-	১৭-২০
১৪।	মৈতৈ পুঙ মৈবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ কাংলোন	-	২১-৩০
১৫।	পুঙলোন অমসুং ঈশৈ ইবদা শীসজ্জারিবা খুদমশিং	-	৩১
১৬।	সাজল তাঞ্চপ - সাজিলা ধনী	-	৩২-৩৫
১৭।	সাজল তাঞ্চপ- নব যৌবনি	-	৩৬-৪০
১৮।	সাজল তাঞ্চপ- রচয়তী রাধা	-	৪১-৪৮
১৯।	অনুরাগ তাঞ্চপ- দহতি মদনা নলে	-	৪৯-৫৪
২০।	অনুরাগ তাঞ্চপ- হায় প্রিয় পসনী	-	৫৫-৬১
২১।	অবতার তাঞ্চপ- অপরুপ আজু	-	৬২-৬৭
২২।	অনুরাগ তাঞ্চপ- জানে সখি মম	-	৬৮-৭২
২৩।	কৃষ্ণ রূপ- পীতপ তাম্বর শ্যাম	-	৭৩-৭৬
২৪।	প্রার্থনা তাঞ্চপ- তপস শ্রীরাধিকা কান্তং	-	৭৭-৮০

২৫।	রাধা অনুরাগ তাঞ্চপ- প্রান সখি ললিতে	-	৮১-৮৩
২৬।	অনুরাগ তাঞ্চপ- হাই প্রিয় সজনী	-	৮৪-৮৮
২৭।	অনুরাগ তাঞ্চপ- হায় প্রিয় সজনী	-	৮৯-৯৩
২৮।	মুরলীহরন চাঞ্চপ- ওগো রাদে (এ)	-	৯৪-১০১
২৯।	অবতার তাঞ্চপ- হরি সংকীর্ত্তন মাঝে	-	১০২-১০৮
৩০।	সাজল তাঞ্চপ- শিথায়ে সিন্দর	-	১০৯-১১০
৩১।	যুগল প্রার্থনা তাঞ্চপ- রাথে কৃষ্ণ (এ)	-	১১১-১১৭
৩২।	অভিসার তাঞ্চপ- মঞ্জ বিকচ কুসুম	-	১১৮-১২৬
৩৩।	সাজল তাঞ্চপ- সাজল মদন কালা	-	১২৭-১৩৫
৩৪।	সাজলী বীনোদিনী রাধা	-	১৩৬-১৩৮
৩৫।	রাই কোহে শুনো সখী	-	১৩৯-১৪৩
৩৬।	নলিনী দলকত জর তরলা	-	১৪৪-১৪৬
৩৭।	নাচত মুহন নন্দ দুলাল	-	১৪৭-১৪৯
৩৮।	লাখবান হেম চম্পকজিনী গৌর	-	১৫০-১৫১
৩৯।	আজু সাজিত কমলিনী রাধে	-	১৫২-১৫৩
৪০।	দোহিলে অঙ্গ শ্যাম বিরহ নলে	-	১৫৪-১৫৫
৪১।	অব হামু কি করিবরে তোরে বোলিরে	-	১৫৬-১৫৯
৪২।	সেঃ সব গুনময়	-	১৬০-১৬২
৪৩।	করহি,মুরুলীনা দেখীয়া	-	১৬৩-১৭১
৪৪।	সখী নারহিব সখী নারহিব বন্ধু বিনে	-	১৭২-১৭৫
৪৫।	হরিমে করশং চিরমবী লছিত বিলাশং	-	১৭৬-১৭৮
৮৬।	সখী যাব দুর দেশ রথে পাপীনি দুস্কিনী	-	১৭৯-১৮৩
৪৭।	ইয় মপি রজনী রমনী	-	১৮৪-১৮৫
৪৬।	সখীরে ব্রজ পতি সুকুমারী	-	১৮৬-১৮৯

* * *

A BRIEF HISTORY OF MANIPURI NATA SANKIRTANA

Introduction:

Each and every nation has its own musical lore and other art forms. It is a known fact that Manipuri community has an extensive, rich cultural inheritance which has been proved by the resources found in the antique scriptures, oral literature, rites and rituals, socio-religious activities, festivals and dance forms which has been evolving from generation to generation. All these cultural rudiments can be perceived by an ordinary person from his surroundings despite his incapability to sing loudly. When a person feels an ecstasy, the tunes of the song must be growing in his mind. The man who can entertain others through music of this kind is known to be a true artist. It is mentioned in the *Shastra*that drum beats and songs together comprise Music. The relation between art and the artist is same as the string and the flying kite, they are inseparable. Art cannot live alone without artists. Musical art is present in every human being whether it is manifested or hidden.

Every civilized community should always have its own musical practice. *Meitei* community also has its own dance and musical tradition. This tradition may be acquainted with the songs in the *Lai Haraoba* and other rites and rituals. The characteristic patterns of drum beats, songs, dance, *Pena* music etc. which are in vogue today are the finest example of this tradition. Musical tradition has been continuing with socio-religious activities of the community. With the advent of *Hinduism*, the devotional singing like *NataSankirtana* was introduced in Manipur.

"Sankhyaturyamridangadya Nedurdunduvayo Dibi.
Ttra Saba Upajagnudeversipitrinang Ganang."1

A sloka from the fourth Sakandh of *Srimad Bhagavad Mahapuran* describes that *Sankhya, Tarya, Mridanga, Dunduvi* etc. are used for devotional purposes. Drum beats, songs and dance presented before the gods have been known as *Gandhvarma*from the *Vedic* period onwards. The age-old practice of performing drums, songs and dance and presenting cult items, blowing pipes and conch during any processionor movement of the idols of gods and goddess by the people became a part and parcel of Indian cultural tradition. Therefore, *Sankirtana*is a perfect representation of Vedic culture and it has been used differently in many stages of religious transformations. Despite some differences, most of the religious occasions related to the four *Vedas* viz, *Rig, Sam, Yajur* and *Athrarvan* were associated with Sankirtana. In this continuous process, Sankirtana became more influential as the so-called devotional movement flourished with in India *Bhagavad* religion.

One kind of its offshoot reached Manipur and grew perfectly after four or five hundred years. To study the history of Nata Sankirtana, we shall have to revise the origin of *Kirtan* which is the base of Nata Sankirtana.

It is a known fact that the singing styles of Sankirtana were derived from Kirtan. We may analyze the original sources of Sankirtana and Kirtan in two different regions in India i.e. the form of Sankirtana performed in the South and the North India.

Meaning and Essence of Nata Sankirtana :

The Manipuri singing style of Sankirtana is called *Nata Sankirtana.*2 When the word "*Nata*" is placed before the word "*Sankirtana*", it becomes more meaningful. The term *Nata*is a

sanskrit word meaning *"to act"*[3]or "to dance".[4] A Nata also denotes one who acts to show the feelings and sentiments of man. Therefore, Nata denotes the enactment and interpretation through the medium of dance conveying the Rasa (flavour and sentiment) and Bhava (mood). In the classical definition a *"Nata"* is the actor or performer who has the capability to express or act the sentiments, dance and sing in the accompaniment of musical instruments. A Nata also has the ability to fulfil the four *Abhinayas* of *"Angika"* (hand and body movements), *Aharya* (costume and make - up), *Vachika*(speech) and *Sattvika* (expresssion of sentiments). A Few personalities, well known for such skills, are Lord "Mahadev" as *Nataraj*, Shree Govinda as *Natavar*and Shree Gouranga as *Natasekhara*.[5] In the books like *Abhinaya Darpana*and treaties or comments on *Natya Shastra* the "*Nata*" is highlighted as an actor who brings out the expression in a *Natya*(drama) form using the four Abhinayas.[6] *Nata Pala* means the congregation of many Natas or actors. So from the name itself, "*Nata Sankirtana*" is performance - based art by many actors and it stands out from the rest because of its dynamics. The Nata Sankirtana performance, if seen superficially, gives the impression of a musical dance predominently characterised by the skills of the actor. But it has its own philosophy and it signifiies the menifestation of a culmination between mind and soul. It presents a refined modification of *LeelaKirtan* once flourished in Bengal.

Manipuri Nata Sankirtana:

There is no written history of Nata Sankirtana, except some stories and events which are fit to be a *Sangeet/* song by text of a *Natya*. The story of Nata Sankirtana is based on performance context. In the absence of a written text, the story line can be twisted somewhere sometimes while keeping the skeletal part of

Sankirtana unchanged. Time sloth can be altered due to the prevailing situation.

By tradition, Sankirtana is performed upto three to four hours. Different episodes from the story of Radha–Krishna can be added to it. The story of Nata Sankirtana is wide ranging and basically related to Vaishnav cult. Sankirtana songs describe stories, events relating to the life of Sri Cheitanya, *Niti Leela* of Radha–Krishna, *Vrindavan Varnan, Gouranga Rup* and *Avishar*etc.

The structural parts of Nata Sankirtana are very simple such as the beginning of *Raga, Sabha Khurumba* (salutation to audience), *Gourchandrika, Gourangabhabi, Nirtya Leelas, Darshan, Radha Govinda Aarti, Prarthana, Lalsa, Mansikhya, Soy Goshai, Nityaipad.* The beginning and final parts are not a part of the story. The story of the Nata Sankirtana is the stories of different *Uparasas* of Radha-Krishna's Nirtya-Leela and tale of Sri Cheitanya. They are sung as Sankirtana in funeral functions. Sankirtana sung in wedding ceremonies is somewhat different from the former. The differences are in *Raga Houba, SabhaKhurumba, Gourachandrika, NabadwipVarnan, Gouranga Bhabi, Vrindavan Varnan, Krishnarup, Radharup, Prarthana, Nityaipad* singing.

This tradition is being kept unchanged even with the new religion that was introduced in Manipur. The *Meitei* community has followed both *Vaishnav* religion and the ancient Meitei religion. In this culture, *Vaishnavites* visualized *Brajaras, Vrindavan Bhava, NabadwipBhava* etc. with devotion. The old tradition as well as the relation between Sankirtana and audience can be traced out through the events in *Mandap*of Shree

Govindajee Mandops of *Devalayas* in localities and occasions in the households.

Background of Manipuri Nata Sankirtana:

Manipur was rich in its indigenous repertoire of dance, song and music. They also performed many ceremonies and rituals related to birth and death. The traditional rituals are interlinked with Vaishnava culture.

Historically speaking, the exact date of beginning of Sankirtana singing in Manipur remains unknown. Scholars have suggested that Sankirtana singing is related with *Vishnu Puja* once performed by King Kiyamba (1467-1508).

The early name of Meidingu Kiyamba Maharaj was *Thangwai Ningthouba*. He made his military expedition with Pong King Choupha Khekhomba to Kabo and Kiyang of Awa in 1470. They defeated Kabo Kiyang. He got the title *Kiyamba*, the winner of Kabo Kiyangs. Khekhomba and Kiyamba were good friends.7

In some old scripture, it is mentioned that the king or the Pongs gave a gift to King Kiyamba; it was a small idol of *Vishnu*. The idol sat on the Garura and stood at five inches. Such an idol is adorned as *Vishnu Chakra* in Hindu tradition. The King allowed Brahmins to serve offerings to the idol. During the reign of MeidinguKhagemba (1597-1652), Vishnu was worshipped with religious offerings by Brahmin Vabani Nath and his companions KritaniyaYadav Das, Gouridas and Devidas.

The Sankirtana style of singing which had been introduced during the reign of King Khagemba (1597-1652) was spreading along with the religious activities of the *Brahmin, Kshetriya* and others coming from the west. These were blended with the ethnic

religious culture, dance and music of Manipur. The former singing style of *Bangla Kirtan* now evolved into a new singing style fusing with the Manipuri tunes,giving birth to Manipuri Sankirtana.[8]

Singing of Kirtan and Sankirtana in connection with the birth and death ritual has been in practice since the reign of King Charairongba (1697-1709) and King Garibniwaz (1709-1748). The practice became indispensable.

In page no. 114 of the *Cheitharol Kumbaba* edited by Lairenmayum Ibungohal and Ningthoukhongjam Khelchandra and published by Manipuri Sahitya Parishad, it mentions that –

"Shok 1629 kalenthagi ningthoukabana han ae / 29 nee eraida krishnagee kiyong hou ae /Enga thadi yumshakeishna han ae / 13 niningthoukabada kiyong shabashung adungeihou-ae / Engen thadi shagolshen han-ae / 5 ni ningthoukaba kalengee kiyong hou-ae / Shok 1668 egen 24 ni yumshakeisha adunumitta shijakhuraileima punyabatigee kumon(phiroi) shak-ae /" 9

It clearly shows that Sankirtana was used during the disposal of the dead. During the reign of King Bharat Sai (1752-53), Sankirtana was expanded.

"Bharat shaigee matamda 1674 (Eng 1752-53), gee kalentha thangjana han –ae / Enga 5 ni yumshakeishada ebungshi Anatashaina tonphang hidenda mapa ebunggo mayangngamba(Garibaniwaj) gee luuloubachatle / Nam sankirtanshaktuna shradhatouram-ae/"[10]

By observing the above records, it is known that Sankirtana has been sung during relegious the events in the royal palace and many other occasions of the land since the reign of King Garibniwaz. In this regard, ElangbamNilkanta states in his essay *Manipuri Performing Art. A Vaishnavite Approach-*

"During the reign of Great Manipuri King Garibniwaz (1709-1748) who adopted Ramandi cult, an old school of Kirtana singing under the style of Bangadesh / Ariba Pala became popular and is still reserved and practise at the royal palace and some other centre of Manipur" [11]

From the above statement, it is known that *Ariba Pala or Bangadesh Pala* had been in vogue since the time of King Garibniwaz. The singing style of Bangadesh Pala at the time was quite simple. The local-made drum (mridanga) and Kartal were used.

The *Bangadesh Pala* which we find today has undergone a complex process of its growth. Bangadesh Pala was divided into two groups as *Leibak Chaba Pala* (chorus of vocals) and *Sevak Pala*. Leibak Chaba Pala was formed under the patronage of the nobles of the state. Sevak Pala was formed by the Sevaks (disciples).

Nata Sankirtana Pala of Manipur is different from *Ariba Pala* or *Bangadesh Pala* in many aspects. Nata Sankirtana is traceable from Bangadesh Pala of Rama worship. Bangadesh Pala is characterized by a lack of stylized performance, and it is more rituals oriented. Thus, it is generally held that Bangadesh Pala sowed the seed of NataSankirtana to form a well developed Sankirtana performance during the prime Hindu period of 18thcentury, and thus it evolved into Nata Sankirtana performance characterized by stylized and codified structures, based on native form and traditional belief system.

King Bhagyachandra in 1776, on the 11th day of Hiyangei (on HariUthan day)consecrated the idol of Shree Govindajee at Langthabal, now at Canchipur. It was the time when the King Chingthangkhomba alias Jai Singh was on the throne of Manipur.

After the installation of Lord Govindajee's idol, *Raas Leela* was performed on the fifth day of *Hiyangei Purnima* of 1779.*12* In the Raas Leela, *Nupa Pala* (Male singers)is the *Purbaranga*. In that performance, the lead male singer was Ngoubram Sai, the grandfather of King Bhagyachandra. ShriDharSai, the uncle of the king was the *Duhar*(second lead singer) in the choir.

Types of Manipuri NataSankirtana :

King Bhagyachandra played the Pung (*mridanga*) and Swarupananda was the assistant. There was a structural change in the musical instruments of *Ariba Pala* after King Bhagyachandra offered RaasLeela in the temple of Lord Govindajee with Nata Sankirtana. The evolution of Nata Sankirtana from *Ariba Pala* is a kind of organised transformation in drum vocabularies and innovation in the context of songs and music and transfer of ritual energies from an approach to an earlier deity to a completely new dimension of worship of Radha-Krishna supplanting the traditional worship of Rama. More creative and refined body movements are added to a repertoire and along with the sophistication of the text, songs and dance. There is a much more elaborate explanation of bodily resources of expression for performative practice. There is a quickening of tempo and enactment of drum vocabularies, expansion of body gestures and quicker codification of movements and structures. More refined story telling techniques are added to the pure ritual chanting like ritual song structure of *Ariba Pala*. It must obviously involved many years of experimentation innovations and exploration of physical resources for the *Ariba Pala* to be developed into the new Nata Sankirtana form. Interestingly, Nata Sankirtana has emerged as a new genre of performance with its distinct codes, vocabularies and song pattern with new additional texts of Vaishnav worship of Radha-Krishna without any visible linkageexternally perceptible

to the beholder, while the old forms do not necessarily disappear. The *Nata Sankirtana Pala*, also known as *Anouba Pala* or new group, is again classified into two groups as *Palahan* (older group) and *Pala Naha* (younger group). Palahan consisted of the middle aged, experienced one while *Pala Naha was meant* for the convenience in rendering service to Govindajee temple. The four *Pala* groups, namely, *Leibakchaba Pala, Palahan* and *Pala Naha* is in the services of Shree Govindajee temple.

Many scholar innovated Nata Sankirtana *Raga, Ragini, Upraga* and 12 Men for daily service to Lord Govindajee during the reign of King Chingthangkhomba. There was a change in the tradition of Sankirtana of *Ariba Pala* from that of the earlier one of King Charairongba's time.

The genuine history of Nata Sankirtana can be monitored from the time of King Rajarshi Bhagyachandra. The tradition of Sankirtana was reconstructed during his reign. After that, many new elements were added to it during the periods of the later kings like Gambhir Singh, Nara Singh and Chandrakirti. There emerged many offshoots of Nata Sankirtana like – *Khubak Eshei*(song of clappers), *Soyon Seishak, Jaydev Chongba,Nupi Pala* (Sankirtana of women and children), and singing style of *Nam Pala Tap* which was related to a religious practice of Cheitanya cult recounting the story of Sri Cheitanya Deva after he had taken *Sanyas*. It may be mentioned that our *Guru Parampara* chose Nabadwip *Rasa* of Sri CheitanyaPrabhu in NataSankirtana in two instances. First, it is from pre-absorption to mediation period of Sri Gourachandra. Secondly, it was a period after Prabhu took *Sanyas*. The first part was taken into Sankirtana as *Maha Yagya*. The second part was chosen as a simple part of Sankirtana. For example, in the performance of *Sanaton Sangh*, only *Kokyet Macha* (a smaller head gear) and *Jha l*(a cymbal) are used. In some other performances, headgear and cymbals were not used.

The creation of Nata Sankirtana by the former gurus were based on *Bhakti Tattwa* embodying in higher *Bhava*and *Rasa*.

Even if there were developments in the history of Nata Sankirtana from the time of King Chingthangkhomba, there were many setbacks in it too. The ancient writings of Nata Sankirtana had been lost from the office of *Pala* in the Govindjee temple during the seven years devastation period of Burmese aggression. After having demolished monarchy, a democratic form of government arrived and consequently the tradition, the scholars and the office of *Pala* were being neglected.

Eras of Manipuri Nata Sankirtana :

The period of King Chandrakirti (1834 - 1844) may be regarded as the golden period of Nata Sankirtana. Sixty four Rasas were made and offered to the Lord during the reign of King Chandrakirti. Another worth mentioning fact, is that *Shree Krishna Raas Sangeet Sangrah,* an important book of Nata Sankirtana was written during his reign. Many offshoots of Nata Sankirtana also emerged during the periods of King Churachand and King Bodhachandra.

1) 112 years from the reign of King Khagemba to King Charairongba.

2) 102 years from the period of King Charairongba to King Chingthangkhomba

3) 178 years from the period of King Chingthangkhomba to King Churachand.[13]

The elements of Nata Sankirtana made during the above mentioned periods were numerous. Along with this tradition, many cultural elements of Hindu Vaishnavite culture like *Leela Kirtan, Gun Kirtan, Jagoi Raas, Gostha Leela, Goura Leela, Lairik*

– *Thiba* etc. were born. It is to be noted that the Nata Sankirtana is a unique creation, the end result of a cultural synthesis. Nata Sankirtana is a fundamental performative art. The nature of the use of the body, the use of performance form and energy are based on native traditional ingredients of culture incorporating of foreign text, sowing thus the seed of its present form in roughly around 18th century during the period of Bhagyachandra.

Conclusion:

Nata Sankirtana of Manipur is considered as a *Maha Yagya*(complete sacrifice) in the Vaishnavism of Manipur. its origin is traced to the aesthetics and philodophy of *Shrimad Bhagavad.* In Shrimad Bhagavad, the only merit in *Kali Yuga* is HariSankirtana (chanting the name of the Lord) and through Sankirtana a person can reach his end and attain *Moksha*. A person in *Satya Yuga* attains *Mukti* through *Dhyan*; in *Tetra Yuga* by *Yagya*; in *Dwapura Yuga* through *Puja* and *Kali Yuga* through *Hari Sankirtana.14* The above Dhyan, Puja, Yagya etc. are all combined or merged in HariSankirtana in Kali Yuga as a means to attain salvation. Shri Cheitanya, Lord Gouranga, preached the value and importance of Sankirtana to liberate the devotees and make them attain Moksha.

According to Vaishnav philosophy Lord Gouranga appeared in the Kali Yuga as the incarnation of Lord Shree Krishna (with *Krishna Varna* or Dark coloured Krishna) to fulfill the three promises, taking the outwardly golden complexion, symbolically representing Shrimati Radhika. Lord Gouranga is the symbolic union of Radha - Krishna. Shri Chaitanya represents Radha-Krishna as one body and one soul. The *Prem Leela* (episodes of love plays) *Madhur Rasa* at Brajamandal (Vrindavan) is re-enacted in the form of Sankirtana to cleanse the miseries in Kali Yuga. Gouranga along with his distinct followers introduced

Sankirtana as a medium through which the people of Kali Yuga would experience the blissful state, liberating themselves and attaining Lord Krishna.

In the theme and spirit of Nata Sankirtana, it is the embodiment of *Bhakti* at its purest form. The essence of Nata Sankirtana is *Bhakti* (devotion). The whole performance is Bhakti oriented. It is the depiction of the "*Madhur Prem Rasa*" (transcendental love) of the Radha Krishna. Nata Sankirtana is a performance based on rituals, in which the Leelas or the plays of Lord Krishna are enacted non-realistically. The performance is enacted with subdued acting, dance, music and songs. The abstract performance symbolically represents the merging of both the actors and participants (audience). In the process of ritual performance the performers and the audience are transported to another realm where each one of them can identify themselves with the Lord.

1. Ebotombi, Haorokcham. *NataSankirtana*, Imphal, 2009, p.8
2. Parikhit Sharma, Surchand Sharma (trans.). *Shri Krishna Rasa SangeetSamgraha*, Pub. Shree Shree Govindajee Natraloy, 1968, Imphal, p.i
3. Ghosh, Manmohan. *NatyaShastra, Vol.II*, Calcutta :ManishaGranthalaya, 1951, p.95
4. Ghosh, Manmohan. *Nandikeswara'sAbhinayaDarpan*, Calcutta : Metropolitan Printers and Publishing House Ltd., 1934, p.xxi
5. Damodar, Waikhom. *ManipurgiNataSankirtana Pala Eshei*, Imphal, 2000, p.1
6. Tarlekar, G.H. *Studies in Natyashastra*, Delhi :MotilalBehariSardars, 1975, p.5

7. Ibungohal, Lairenmayum and Khelchandra, Ningthoukhongjam. *CheitharolKumbaba*, Imphal, 1989, p.19-20

8. Chitreswar Sharma, Aribam. Seminar paper on *"ManipuridaNataSankirtanadaMatamnaPirakpaSaphu"* organised by Guru GulapiNataSankirtana Academy, Nganappi Thong, Imphal, 2006. p. 2-3

9. Ibungohal, Lairenmayum and Khelchandra, Ningthoukhongjam.*op. cit.*, p.121

10. *ibid*, p. 144

11. Nilakanta Singh, Elangbam. *Manipuri Performing Art;* Sanajaoba, Naorea (ed). *A VaishnaviteApproach : Manipur Past and Present. Vol.2*, Delhi,1991, p.258

12. Chaobhal, Elangbam. *Cholom*, Imphal, 2002, p.16

13. Chitreswar Sharma, Aribam. *Manipuri Nata Sankirtana Bichar, Part.2*, Imphal, 2002, p.15

14. Chitreswar Sharma, Aribam. *Manipuri Nata Sankirtana Bichar, Part-2*, Imphal, 2002, p.23

নট সংকীর্ত্তন

শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তিগীদমক তৌবা সঙ্গীতপু কীর্ত্তন কৌই। কীর্ত্তন অমসুং সংকীর্ত্তন অনীসি খেন্নবা খরা লৈরবসু মশাগি অময়ত্তনি। অর্থদি ঈশ্বরবু সেবাকনুনা ঈশ্বরগী নাম শোঞ্জদুনা নত্রগা মাগী খরীনু নীংশিংজদুনা চীন্না ঈশৈ ওইনা লাওনা শক্তোকচববু (সং- চংখোননা, কীর্ত্তন- শকপা শোনবনু) সংকীর্ত্তন কৌই। অদুবু কুপশিন্না য়েংবা তারগদি কীর্ত্তন হায়বনা চুম্না পুল্লিংদা ফাওরকপা ঈশ্বর ভক্তিবু চীন্না লাওনা শক্তোকপা, খোইনা সঙ্গীতকী চংনরকপা নিয়ম খীরন্দবনু খওইল্লি। অদুগা সংকীর্ত্তন হায়বনা অসিগুম্না কীর্ত্তনবু সঙ্গীত শাস্ত্রগী নিয়মনা পুল্লবা, পুঙ- ঈশৈ, জগোইগী মচাক শুনা তীল্লবা, অদুবু সংকীর্ত্তন হায়, মদুদি- সম্যক প্রকারেন কীর্ত্তনম = সংকীর্ত্তনম। অসিগুম্না কীর্ত্তন হায়বসিমক ভক্তিগী অথোইবা অঙ্গ মাপলগী মনুংদা অনীশুবা অঙ্গনি। মদুদি - শ্রীমদ্ভাগবতা তাকপিরম্লবা।

> ''শ্রবণং কীর্ত্তনং বিষ্ণো ঃ স্মরনং পাদসেবং।
> অর্চ্চনম বন্দনং সাখ্যং দাস্যং আত্মনিবেদনম্''

অসিগুম্না ভক্তি অঙ্গ মাপনগী অনীশুবা ওইরিবা সংকীর্ত্তনগী মতেংনা ঈশ্বর ফংজনবা উপায় ওই। ভক্তনা সংকীর্ত্তন তৌবা মফমদা ভগবাননা লেংদনা লৈ হায়না নারদ সংহিতানসু হায়রি।

ঈশৈ শক্তুনা জগোয় শাদুনা অভিনয় তৌববু নট হায়না খঙনৈ। নট থাতুসি নৃত হায়না সংস্কৃত ধাতুগী প্রাকৃত ভাষাদগী সংস্কৃত ভাষাদা চংলকখিবনি। নট অমসুং নৃত অনীসি অর্থ চপ মান্নে। অর্থদি লীলা তৌবা, জগোয় শাবা, মোত তৌবা অসিনচিংববু খঙনৈ। মরম অদুনা নট সংকীর্ত্তন হায়বসি লীলা,

জগোয় অমসুং মোত তৌদুনা শক শোনবা কীর্ত্তন অদুবু "নট সংকীর্ত্তন" হায়না কৌই। মসি রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্রগী অশেংবা আবদাননি।

মৈদিংঙু ক্যাম্বনা বিষ্ণুপুরদা বিষ্ণু লাংলিঙৈদা মণিপুরদা কীর্ত্তন নত্রগা সংকীর্ত্তন অসি মরু ছুনবা হৌখি। মতম অদুগী কীর্ত্তনবু বংদেশ পালা হায়রম্মী। হৌজিকসু মসিবু অরিবা নত্রগা বংদেশ হায়দুনা লৈরি। নট সংকীর্ত্তন থোক্লকপদগী বংদেশবু অরিবা অদুগা নট সংকীর্ত্তনবুনা অনৌবা পালা হায়না খঙনবা হৌখি।

নট সংকীর্ত্তন শেম্লকপা

কীর্ত্তন নত্রগা সংকীর্ত্তন হায়বা শব্দসিদা নট হায়বা শব্দসিগা কোন্ননা শীজিন্নবসি ভারতকী মফম অতৈদসু লৈবা থেংনদে, সুপ্নতগী মনিপুরদতা লৈ। "নট সংকীর্ত্তনম" হায়বা শব্দসি "নটৈন সহ সংকীর্ত্তনম" হায়বা অপুনবা ৱাহৈসিদগী ওইরকখিবনি। অর্থনা নটকী মতেংনা পাংথোকপা সংকীর্ত্তন হায়বনি। নট হায়বা ৱাহৈসি শ্রীকৃষ্ণবু নটবরনি হায়বদগী অদুম শীজিন্নবা হৌই হায়বা য়ারে। রায় রামানন্দসু শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্যদা অসুম্না মত পীখি। শব্দগীদমক্তদি পাণিনি ব্যাকরনদা খুঙ্গী মাঙ চহী ৪০০ শুবদা থেংনরবনি। অদুবু মসি রাজর্ষিনা বৈষ্ণবকী সঙ্গীত শাস্ত্রদগী লৌরম্বসু য়াই।

পুঙ-ঈশৈ জগোয় অহুম অসিনা পুল্লবা সঙ্গীত কৌই। নট সংকীর্ত্তন পুঙ-ঈশৈ, জগোয় অহুম পুল্লগা শেম্লবা নীংথিরবা সঙ্গীতনি। লাইহিশিংগী নিংথৌ ইন্দ্রগী পেন্নবগীদমক্তা ব্রহ্মানা বেদদগী মটি ওইবা মখে লৌথোক্লগা সঙ্গীত শেমখিবগুম, মী ময়ক্তগী অথোইবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হায়জবদগী কলি জীবগী পান্নফম ওইবা ভক্তিগী অমত্তা ওইরবা লম্বী নট সংকীর্ত্তন অসি নিংথেমগী আচার্য্য গুরু পরমানন্দ ঠাকুর অমদি মতোন ইবুংঙো ঙৌব্রামশাইনচিংবা গুরু অমসুং পণ্ডিত ময়ামগা লোয়ননা কুপ্না খন্নরগা মৈতৈগী 'লাই হরাওবা' অমদি 'পাফল'- নচিংবা য়ুমফম ওইরগা ভরত মুনিগী নাট্য

শাস্ত্র, শ্রীমদ্ভাগবত পুরানশিং অমসুং জগোয় ঈশৈগী শাস্ত্রশিংদগী মচি ওইবা শরুকমখৈ লৌথোক্তুনা তোপ তোপ্পা শেন্নবা নাট্য মখল অমনি। নাট্য শাস্ত্রগী কয়াৎ মরি অধিবাস, পুবর্বরঙ্গ, রঙ্গ অমসুং অন্তরঙ্গ মনিপুরগী লাই হরাওবদা য়াওই। নট সংকীর্ত্তনদসু মসি চপ চানা য়াওরি। নাট্যগী মশক ওইরবা নট সংকীর্ত্তনদা মতাং মতাং মতুংইন্না নাট্য শাস্ত্রগী প্রারম্ভ (রাগ হৌবা) প্রয়ত্ন (রাগ তাবা) প্রাপ্তিসম্ভব (মেল) ফল প্রাপ্তি (তাচপ) অমসুং ফলযোগ (মেনকুপ) য়াওই। শাস্ত্রগী ঙাক্তা তৌবসু নত্তে। শাস্ত্রনা যুম্ফম ওইবা ফাওবতনি। পুমনৌ নৌবা খুৎশেম অমনি।

নট সংকীর্ত্তনগী মূর্ত্তি

মনিপুরী গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী ৱাখল, মিৎয়েং ওন্থোক্না কুপখ্রে। মদুদি নট সংকীর্ত্তগী মশক্তি (মুর্ত্তিদি) ইবুংঙো-ইবেম্মগী অপুনবা মূর্ত্তিনী। শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভু ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী অমত্তা ওইবা মশক্তি। শ্রীগৌরাঙ্গগী অঙ্গদগী পঞ্চ তত্ত্ব পোকই। মখোয়শিং অদুদি মন, বুদ্ধি, চিৎ, ইন্দ্রি অমসুং প্রান মখোয় মঙা অসিদগী সংকীর্ত্তন মূর্ত্তি পোকখি।

'মন' দগী শ্রীনিবাসকী মশক ওইদুনা ঈশৈ হল্লি, 'বুদ্ধি' দগী অদ্বৈত ওইদুনা পুঙ-য়ৈ অমসুং গোবিন্দনা তুংইল্লি, 'ইন্দ্রি'দগী মুরারীনা পালা ওইরে, 'প্রান' দগী মকুন্দনা দুহার ওইরে। 'চিৎ' তগী নিত্যানন্দ ওইদুনা ভাবক মকোক ওইরে। মরম অদুনা সংকীর্ত্তন হায়বসি গৌরচন্দ্রগী মশক্তি।[১] মনিপুরী গৌরীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়না সংকীর্ত্তনবু উজবা ফংজবসি গৌরচন্দ্রবু দর্শন তৌজবনি হায়না লৌই। মরম অদুনা সংকীর্ত্তনবু হেক উজবদা খুরুমজরিবা। নবদ্বীপকী রসদা শ্রীআদ্বৈতনা হুঁকার তৌদুনা শ্রীগৌরচন্দ্রবু হৌদোকই। মরম অসিনা ইবুংঙোগী মশক ওইরবা পুঙনা অহানবা রাগ হৌদুনা সংকীর্ত্তন হৌরিবনি।

১। শ্রীচিত্রেশ্বর সর্ম্ম, "সংকীর্ত্তন বিচার", ১৯৮৮, লাঃ ২৪

নট সংকীর্ত্তনগী কয়াৎ (ক্রম)

নট সংকীর্ত্তন অমগী চংদবা য়াদ্রবা মরু ওইবা কয়াৎ (ক্রম) শিংদি রাগ হৌবা, রাগ তাবা, রাগমেল, রাগতাঞ্চপ, রাগমেনকুপ, রাগস্বধিন অমসুং রাগবিজয় তরেৎ অসিনি ।

১। রাগ হৌবা : মহা যজ্ঞগী মশক ওইরবা নট সংকীর্ত্তন অমা হৌগৎলকপগী অহানবা মতাংবু রাগ হৌবা হায়না গুরুজনশিংনা খঙনরকই । মসি পুং, ঈশৈ, কর্ত্তাল, অমসুং মোইবুঙগা লোইনবা উত্থাপনগী থৌরম অমনি । পালা পুন্নামক্লা মাগী মাগী মফমদা লেপ্লুনা মাঙুপ মপুনা হরি ধবনি লাউদুনা রাগ হৌবগী খবক পাংথোকই । মতাং অসি উপাসনাগী অহানবা মতাং ওইবনা ভাইবং মপুবু কৌজবা, মাগী মুর্ত্তিবু থেমগৎচবা ফিজেৎ লৈতেংজবা, গুন্ধ চন্দন, পুস্প, ধুপ থাওমৈ থাদুনা অয়েবা, অশকপা, অখোংবা পুন্নমক্লা মমিং মথানচিংবা নিংশিংজদুনা বন্দনা তৌজদুনা মাবু ইরাৎচরিবনি হায়না ভক্ত- বৈষ্ণবশিংনা লৌজে । অসিগুম্বা ইষ্ট দেবতাবু উত্থাপন তৌজবগী অহানবা মতাং ওইবা রাগ হৌবা হায়না খঙনবা সংকীর্ত্তনগী অহানবা থৌরম অসি শোয়খি ঙামখিবা য়াওদনবা ভক্ত- বৈষ্ণব খিবিক্লা য়াম্না কিনা লুনা চেকশিন্না হোংনৈ ।

২। রাগ তাবা : সংকীর্ত্তন মহা যজ্ঞ অমা পাংথোকপদা তঙায়ফদনা চংলিবা মতাং তরেৎকী মনুংদা অনীশুবা মতাংবু নট সংকীর্ত্তন পরম্পরানা শ্রীহরি সংকীর্ত্তনগী অহানবা হৌগৎখিবা রাগদুগী মখা তাথরকপা মতাংনি হায়দুনা রাগ তাবা হায়না খঙনরকই । তশেংনমকসু রাগ তাবা রাগশিংগী মরক্তা থোইদোকপা তাল প্রবন্ধ অমনি । প্রবন্ধসিদা একতাল, দুইতাল, তিস্তাল অমসুং চরিতাননচিংবা তালশিংগী মরক্তগী অপাম্বা তালগী মশক অমা খল্লগা

তালদুগী মপালগী মশক্তী শুকহোং হোংহন্দনা শুপ্পতগী মাবু শারিবা মিহুলশিং অদুতনা নিমেয় পাদম মঙাদা হোং- হোংদুনা মথং-মথং খ্বাইদগী চাওবা ধ্রুব মিহুন্দগী খ্বাইদগী পীকপা ধ্রুবগী মিহুন অদু তম্না পুশিল্লকই । অসিগুম্বা লয় খেন্নবা তালশিংগী য়াচন্না শেম্বা থোইদোকপা তাল প্রবন্ধসিগী মিহুনশিংবু নিমেয় পাদম মঙা হায়না খঙনবা ধ্রুব মিহুল মখল মঙাদা হোং- হোংদুনা পুশিল্লকপা ওইবনা রাগ বধর্মানক অসিবু করিগুম্বা তাল অমগী অচৌবা ঘাৎ (লয়) অমাদগী অপিকপা অথুবা ঘাৎ (লয়) অমা তম্না পুশিল্লকপনি হায়দুনা ভরত-নাট্য শাস্ত্রনা লয়ন্তরিতা হায়না মশক তাকলকই ।

৩। **রাগ মেল :** নট সংকীর্ত্তন মহা যজ্ঞগী রাগমেল (রাজমেল) হায়না খঙনরকপা অহুমশুবা মতাং অসিসু থোইদোকপা তাল প্রবন্ধ অমনা নিংজরিবা ইষ্ট দেবতাবু পুজা কচ্চরকই । তশেংনমক রাগমেল রাগশিংগী মরক্তা তোপ-তোপ্পা রূপ অমনি । অখন্নবা রাগগী রূপ অসিদা দ্বিপদী, ত্রিপদী নত্রগা চতুস্পদী নচিংবা মেল মখল মখল কয়াদগী অমবু খল্লগা মাগী ধ্রুব পাদবু শুপলেং লেংহন্দনা ফাদুনা থল্লগা লোয়নরিবা অতৈ পাদশিংদুনা চৌগুন তম্না থোন্দোকহল্লুরবা লম্বী ঘাৎকী অচৌবা তাল অমদগী মথং-মথং ওন-ওন্দুনা সেতু ঘাৎ তম্না পুশিল্লকপা অসিগুম্বা অখন্নবা তালশিংগী য়াচন্না শেম্বা প্রবন্ধশিংগী থোইদোকপা মশক্তি রাগ অসি হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ধ্রুব কলা অদু শুকলেং লেংহন্দনা দ্বিগুন, চৌগুননচিংবদা য়াওহন্দনা মশক হোংহন্দনা লৈহনবা অসিনি ।

৪। **রাগ তাঞ্চপ :** নট সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞ অমা পাংবদা তঙায়ফদনা চংলিবা রাগগী রূপ তরেৎকী মনুংদা মরিশুববু রাগ তাঞ্চপ হায়না খঙনরকই। তশেংনমক রাগ তাঞ্চপ রাগশিংগী মরক্তা থোইদোকপা রূপ অমনি। রূপ অসিদা তাঞ্চপ ঘাৎকী মপী মচা তরুকমক্কী একপদি

তালশিংবু মথং-মথং চপশিন্দুনা অপুনবা মশক অমা ওইনা উৎলি । অহানবদা তাঞ্চপ অফাকপগী একপদী, মথংদা তাঞ্চপ অরাওবগী, মথংনা তাঞ্চপ অফৈবগী, মথংদা তাঞ্চপ অচৌবগী অদূদগী মচাগী অসুম্না অরোইবদা তাঞ্চপ মপীগী একপদীদা থাদোক্লুনা মপুং ফাহনবা তাঞ্চপ তাল তরক্কী য়াচন্না শেম্বা অখন্নবা প্রবন্ধ অমনি ।

৫। রাগ মেনকুপ : সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞ অমা পাংথোকপদা তঙায়ফদনা চংলিবা রূপ তরেৎকী মনুংদা মঙাশুববু রাগ মেনকুপ হায়না খঙন্দুনা লাক্লি । তাঞ্চপপী মতৌগুম রাগ মেনকুপ অসিসু মেনকুপ ঘাৎ মপী মচা তরুক্কী একপদীশিংনা মথং-মথং চংশিন্দুনা শেম্বা থোয়দোকপা প্রবন্ধ অমনি । অহানবদা মেনকুপ অফাকপগী একপদী, মথং মেনকুপ অরাওবগী একপদী, মথংনা মেনকুপ অফৈবগী একপদী অসুম্না মথং-মথং মেনকুপ অচৌবগী মচাগী অমসুং, মেনকুপ মপীগী একপদীশিংবু চংশিল্লগা অরোইবদা থাদোকপা তালশিংগী থোইদোকপা য়াচন অমনি । মতৌ অসুম্না অথাবগী শরুক্তা মেনকুপ ঘাৎ মপীমচা তরুক্কী একপদী তরুক্কা পুন্না অঙ্গ তরেৎনা রাগ মেনকুপকী রুপ্পু শায় ।

৬। রাগ স্বাধিন : রাগ স্বধিন নট সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞ অমা কচ্চবগী তরুকশুবা মতাংনি । তশেংনমক নট সংকীর্ত্তন হেক হৌগৎলকপদগী মঙাশুবা মতাং ফাওবনা পুর্বরঙ্গগী শরুক ওইনা অজা- পূজানচিংবানা গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী মফমদা সংকীর্ত্তন কচ্চদুনা খুরুমজরগা মখা চথরকপা রাগ স্বাধিনগী মতাং অসিবুনা কীর্ত্তনগী শরুক ওইনা তোঙান্না তোপ্পা থমদুনা শকচ- শোঞ্জনিংলিংবা লীলা কীর্ত্তন মখল মখা কয়াবু ঙমখৈ নায়দনা পুশিঞ্জদুনা কচ্চবা চংনরকই । নট সংকীর্ত্তন পরম্পারাগী হেক লৈজরিবা, পূং, ঈশৈ, জগোয় অমসুং লীলা কীর্ত্তন মখল মথেল পুন্নমক মতাং অসিদা পুশিন্দুনা নুমিৎ কয়ানি

চংনা শক্ক শোন্নরকপা ঙাক্তনি । মরমসিদগী মতাং অসিবু রাগগী রূপশিংদগী মনিং তম্মহল্লবা থোইদোক্লা অকক্লবা অজা পুজাগী মশক ওইবা তাল অমগী মখা পোলহন্দ্রবা পুশিন্নিংবা তাল মখল মথেল পুম্নমক পুশিনবা য়াহনবা, য়াম্না মনিং মখা তম্মহল্লবা, চপচানা স্বাধিন ওইহল্লবা মতাং অমনি হায়দুনা মসিবু রাগ স্বাধিন হায়না গুরুজনশিংনা খঙনরকই ।

৭। রাগ বিজয় : নট সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞ অমা কচ্চবগী অরোইবা তরেৎশুবা মতাংবু নট সংকীর্ত্তন পরম্পরানা রাগবিজয় হায়না খঙনরকই । নিংজরিবা ইষ্টদেবতাবু আবাহন তৌজদুনা ঙমজবা হৈ-লৈ খরদংনা অজা- পুজানচিংবা কচ্চদুনা যজ্ঞ অমা পাংথোক্লবা তুংদা ইষ্টদেবতাবু বিসর্জন তৌজদুনা যজ্ঞ লোইশিনবাগী থবক থনাবু পূং-ঈশৈগী মশক্তা নট সংকীর্ত্তনগী রাগ বিজয়না চপ-চানা পাংথোক্লরকই । মতাং অসিদা কীর্ত্তন হেক হৌবদগী থেমগৎচরকখীবা ইষ্ট দেবতাদা লীলা কীর্ত্তন মখল মখা কয়া কচ্চরবা মতুংদা মাবু-অমুক হন্না মাগী পুর্ণ ধাম গোলোক বৃন্দাবন তম্না থিঙ্গৎচদুনা হলহনখিবগী ভাবপূ মপুং ফানা ফোংদোক্লি । তশেংনমক গৌরীয় বৈষ্ণবশিংনা চৈতন্যদেববু আবাহন তৌজদুনা সংকীর্ত্তন কচ্চবনা বিজয়গী মতাং অসিদসু চৈতন্য দেববু বিসর্জন তৌজদুনা অমদি সংকীর্ত্তন কচ্চরিবা যজমানশিংগা লোয়ননা তিল্লিবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্নমক্লা নোল্লুক্লা খুরুমজ হৌদুনা সংকীর্ত্তনবু মপুং ফংহন্নরকই ।

সংকীর্ত্তনগী মখল

ঈশ্বরগী গুনবু শকপা শোনবা হায়বসি মখল অহুম শুই :- ১) নাম কীর্ত্তন ২) গুন কীর্ত্তন অমসুং ৩) লীলা কীর্ত্তন অহুম অসিনি।

১) নাম কীর্ত্তন :- নামকীর্ত্তনদা ভগবানগী নামবু সুর পান্দুনা শকই। শ্রীকৃষ্ণগী নামবু সুর পান্দুনা শকপনা সাধন ভক্তি মখল মাপন্দগী সাধ্যভক্তি ফংনবা অথোইবনি। সাধন ভক্তি অমদি সাধ্যভক্তি হায়বদি ভক্তি অঙ্গ মাপনগী মনুংদা শ্রবণ কীর্ত্তন্নচিংবা অহানবা ভক্তি অঙ্গ তরুকপু সাধন ভক্তি হায়না থম্লগা, দাশ্য, শাখ্য অমদি আত্মানিবেদন হায়বা অরোইবা ভগবানগা মরী থানদ্রবা ভক্তি অঙ্গশিংদুনা সাধ্য ভক্তিনি হায়না গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্পদায়না লৌই। লাইরিক হায়বা- থীবা অমদি ভগবত পাবা মসিগী খুদমশিংনি।

২) গুন কীর্ত্তন :- ভগবানগী গুণ, মখোয়না তৌখিবা থবক থৌরমশিং মখোয়গী তৌবা ঙম্বা শক্তি, মগুন, কয়াবু লিদুনা, শক্নূনা পাংথোকপা কীর্ত্তনবু গুণ কীর্ত্তন হায়না খঙনৈ । ব্রারী লীবা, লাইরিক হায়বা থিবা অসিনচিংবা মখলগী কীর্ত্তনবু গুণ কীর্ত্তন ওইনা লৌনৈ ।

৩) লীলা কীর্ত্তন :- নামকীর্ত্তন অসিদা নত্তনা মনিপুরী লৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজবৃন্দাবন লীলাবুসু সংকীর্ত্তন তৌই। মদুদা, জন্মলীলা, নন্দোৎসব, গোষ্ঠলীলা, রাধাকুণ্ডমিলন, সুর্য্যপুজা, জলক্রীড়া, পাশক্রীড়া, দানলীলা, সুবলমিলন, উত্তর গোষ্ঠ, নৃত্যরাস, মহারাস, বসন্তরাস, হোলি, কুঞ্জরাস, ঝুলন, নিশান্তলীলা, পুবর্বরাগ, রূপানুরাগ, অভিসার, আক্ষেপানুরাগ, কলহন্তরিতা, বাসকসজ্জিকা, উৎকণ্ঠিতা, খণ্ডিতা, বিপ্রলব্ধ, মান, বিরহ মাথুর, বংশী শিক্ষা অসিনচিংবা কয়াবু সংকীর্ত্তন তৌই।[২] অসিগুম্বা লীলা কীর্ত্তন অসিবু গৌরীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়না রস কীর্ত্তন হায়রগসু খঙনৈ।

২। শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা, "মৈতৈ কীর্ত্তন", লাঃ ৫৪

নট সংকীর্ত্তনগী ভাবোক অরায়বা অমত্তা নত্তে। ভাবোকশিংনা থম্মোয়দা মপুং ফানা রস পোল্লিবসি ভাবোক্কী গুন, কলাকারশিংগী হৈ- শিংবা অমসুং উৎলিবা অদুগী ফজবা অহুম অসি চপ মান্নরবা মতমদা ওই। ভাবোক্না সংকীর্ত্তনবু য়াম্না থৌগৎলি। অহিংবা মী মরক্তা শকপা শোনবা হায়বসি ভাবোক্কী থৌদাং মগুন য়াম্না লৈ। মনিপুরগী নট সংকীর্ত্তনগী মতীক চাবা ভাবোক ৱাত্তে ভাবোকশিং অসিনা ঈশৈ- নোংমাই পামজবনা কলা অসি ঙসি ফাওবা হিংদুনা লাক্লি অমসুং কলাকারশিংগী মগুণ ভাবোক্না লৈক্লি।

নট সংকীর্ত্তনগী ৱারী মপুঙ

নট সংকীর্ত্তনগী ওইবা ৱারী মপুঙ অমা ওইনা লৈতে। অইবা ৱারী অমা লৈত্রবসু নাট্য অমা ওইনা শান্নবা য়াবগী ৱারী থৌদোক থরদি লৈ। অদুনা নট সংকীর্ত্তনগী ৱারী অসিদি পার্ফোমেন্স টেকসতা খুন্ফম ওইবা ৱারিনি। অইবা ৱারী অমগী মখা পোন্না শান্নবা নত্তবনা ৱারী পরিং শান্নরকপা মতমদা নাক- য়েত্তা য়াম্না হায়দোক হায়জিন তৌবা য়াই ৱারীনা ফাজিন পুনশিনদুনা থমদে। নট সংকীর্ত্তনগী চৎথনবা ৱারী মপুঙ অদুদি লেঙহন্দনা থম্লগা য়াম্না তেনশিন্না লোইবা নত্রগা য়াম্না শাংনা মফম মতমগী মতুংইন্না তৌবসু য়াই। মসিগী মতমসি চৎনবী অমা ওইনা চাওরাক্না পুঙ ৩/৪ লোমনি। মসিদা রাধা কৃষ্ণগী মখল মখাগী ৱারী পুশিনবা য়াই।

নট সংকীর্ত্তনগী ৱারীসি য়াম্না পাক চাওই, বৈষ্ণব ধর্ম্মগা মরী লৈনবা ওাক্তেনি। শ্রীচৈতন্যগী পুন্সিগা মরী লৈনবা থৌদোক, রাধা কৃষ্ণগী নিত্যা লীলা, অতৈ উপরস কয়া কয়ানি। মসিদা শকলিবা ঈশৈসি ৱারী লিবা ঈশৈনি। বৃন্দাবন বর্নণ, গৌরাঙ্গ রুপ, অভিসার অসিনচিংবা অসি ঈশৈগী মতেংনা করিগুম্বা ৱারী অমা থৌদোক অমা তাক্লি তমলিবনি। ব্যখ্যা তৌবা প্রোজ নেরেটিপসু মসিদা য়াওরি। প্লোট য়াম্না চমই মদুদি :- রাগ হৌবা, সভা খুরুম্বা, গৌরচন্দ্রিকা, গৌরাঙ্গ ভাবী নিত্য লীলা পরেং, প্রর্থনা, ছয় গোশাই নিত্যাই

পদ। অহৌবা অমসুং অরোইবা অসিদি ৱারী মপুং নত্তে ৱারী ফিবান চনবগুম্বনি। ৱারী মপুঙদি রাধা কৃষ্ণগী নিত্য লীলা, উপরস, ময়াম অমসুং শ্রীচৈতন্যগী ৱারী অসিনি।

নট সংকীর্ত্তনগী গুণ

নট সংকীর্ত্তনগী গুণ অসি অসুক্কী মতিক চাওখ্রে মদুদি কলি জীবগী লান্নবগী পাম্বৈদি হরিনাম সংকীর্ত্তনতনি হায়বা শ্রীচৈতন্য প্রভুনা তাকপিখিবা অথোইবা পাউতাকপু মনিপুরগী বৈষ্ণব সম্প্রদায়না চেৎনা থাগোন্নজে। মরমসিদগী পোকপা শিবা অমদি অতৈ থৌরমশিং অয়াম্বদা সংকীর্ত্তননা মপুং ওইরি, মসিমক মহা যজ্ঞনি লৌখৎপীরম্মী।

শ্রীমদ্ভাগবতে -
কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষাকৃষ্ণং সাঙ্গোপাঙ্গাস্ত্র পার্যদং।
যজ্ঞৈঃ সংকীর্ত্তন প্রায়ৈর্যজন্তিহি সুমেধসঃ ।।

শ্যামসুন্দর ওইরম্বা কৃষ্ণনা সনাদগী হেন্না ফজবা কুচু লৌদুনা অঙ্গনিত্যানন্দ, উপাঙ্গ- অদ্বৈত, অস্ত্র- হরিনাম, পার্যদ- গোবিন্দ গদাধরনচিংবগা লোয়ননা যজ্ঞগী পোৎচঙ পুম্নমক সংকীর্ত্তননা ওইদুনা ঈশ্বরবু অরেপ্পনি মহা পণ্ডিতশিংনা পুজা তৌরি অদুগা অসুম্না শ্রীগোবিন্দমক্লসু নারদা ঋষিগী মফমদা তাকপিখি।

শ্রীমদ্ভাগবতে -
সত্যে যদ্ধ্যায়তে বিষ্ণুং ত্রেতায়াং যজতোমখৈঃ
দ্বাপরে পরিচর্য্যায়াং কলৌতদ্ধরি কীর্ত্তনাৎ । চৈঃ ভঃ

সত্যযুগদা ধ্যাননা জীবশিংনা মুর্ত্তি ফংই, ত্রেতদা যজ্ঞনা ওই, দ্বাপুরদা পুজানা ওই, কলিযুগতদি হরি সংকীর্ত্তননা ওইরি। মরম অদুনা মথক্কী

যুগশিংদা ওইখ্রিবা ধ্যান, যজ্ঞ, পুজানা ফংলিবা কান্নবা ফলশিং অসি পুন্না কলিযুগকী সংকীর্ত্তন অসিদা তিনদুনা লৈখ্রে। অদুগা অমুকসু কলি যুগতদি হরি নামতনা অরেপ্পনি হায়বা ৱাফমবু দেবর্ষি নারদনা বেদ ব্রহ্মগী মফমদা মুক্তিগী লম্বী হংজরুবদা ব্রহ্মানা নারদদা তাকপিখিবা -

হরের্নাম হরের্নাম হরের্নমৈব কেবলং।
কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা।

হরিনামতনা অরেপ্পতি (৩) কলি যুগতা হরিনাম শোনবা নত্তনা অতোপ্পা উপায় অমা লৈত্রবনি।

শ্রীমদ্ভাগবত'না কলি যুগকী মতাংদা মখাগী অসুমনা পল্লী-

কলিং সভাজয়ন্ত্যর্যা গুণজ্ঞাঃ সারভাগিনঃ ।
যত্র সংকীর্ত্তনেনৈব সবর্ব স্বার্থোহপিলভ্যতে ।।

শ্লোক অসিগী মরু ওইবা মূল অদু সংকীর্ত্তনদা থম্বীরি। সংকীর্ত্তননা প্রধান ওইহল্লি।

স্কন্দ পুরান্দা -

নাহং তিষ্ঠামি বৈকুনঠে যোগীনাং হৃদয়ে নচ ।
মদ্ভক্ত যত্র গায়ন্তি তিষ্টামি নারদ ।।

অসিগুম্বা শাস্ত্রীয় ওইরবা প্রমান কয়া লৈবনা কলিদদি হরি সংকীর্ত্তনতনা অথোইবনি। তশেংনা হায়রবদা নট সংকীর্ত্তন জগোয় ঈশৈগী ফজবা য়াওবদা নত্তনা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ৱাংলবা ৱাখল, মিৎয়েং, ভাব, রস, দর্শন য়াওরবা মপুং ফারবা নাট্য অমনি। রসকী য়ৌখ্রবা সাধনাগী মশক্তি। লৈরিবা পুম্বা ইবুংঙো-ইবেম্মা অনীমক্কী অমত্তা ওইবা মশক লৌরিবা গৌরচন্দ্রদা

কথোকচবনি। আত্মা সমর্পণ তৌজবা তম্বনি। মপুঙ ওইবা ৱাফমদি নট সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞনি। মশাবু ধর্ম্মনা য়োমশিন্দুনা থম্বা, নুংদা ভক্তি অমসুং প্রেমগী ফজরবা ভাব ফোংদোকপা পান্দনা ধর্ম্মগী থৌগাই ওইনা শীজিন্নবা। মীয়ামদনা নুংঙাইরবা কলাগী কুম্মৈগী মশক অমা ওইহনবা, সাধনাগী লম্বীদনা ঈশ্বরগী খুয়া ফংনবা লাইনিং ওইবা নট সংকীর্ত্তনগী মশক্তি।

নট সংকীর্ত্তনগী কান্নবা

সংকীর্ত্তন তৌজবনা মীওইবনা পুন্সিদা লঙশিনখিবা পাপ পুম্নমক কোকই হায়না থাজনরকপগা লোয়ননা সংকীর্ত্তন কৎনরকই । চহি কয়া মরৈবাক্কীদমক লাঞ্জাওদা হাৎনা শুনবা কয়া পাংথোক্লুরবা মৈতৈ নিংথৌশিংনা লানফমদা লঙশিনখিবা মপাপ পুম্নমক কোকচনবগী অর্থদা পৌরানিক নিংথৌশিংনা লাঞ্জাও থেংনরুরবা মদুদা অশ্বমেধ যজ্ঞনচিংবা পাংথোক্লুনা প্রতিকার তৌনরকপগুম অৱা লান থেংনরুরবা মতুংদা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা মহাধ্রুমেল মচ্চখি ।

নট সংকীর্ত্তনবু তাজ- উজবদা অমদি শকচ- শোঞ্জবদা অথোইবা নুংঙাইবা ফংহল্লি, অপাম্বা থুংহল্লি, মীবু খুদুম চনশিনবা ঙমই। মী পুম্নমক্কী থম্মোয় হুবা ঙম্মী, অরান খুভমসু য়ৌহল্লি। দান, যজ্ঞ অমসুং তপ তৌবগী মহৈনা ধর্ম্ম, অর্থ অমসুং কাম অহুম অসিদা ফংহল্লি, অদুগা নট সংকীর্ত্তন মথন্তবু হৈজবদা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ মরিমকপু লায়না ফংহল্লি। মরম অদুনা নট সংকীর্ত্তন হায়বসি গোইদোক হেন্দোক্লা কান্নবগী মশক্তি। নট তশেংনমক সংকীর্ত্তন মৈতৈ সমাজগীদি অমত্তা ঙাইরবা ধর্ম্মনি হায়না নিংশিবা থোক্লবা মতমদগী ঙসি ফাওবদা থদোকনবা লৈতনা থগোন্নদুনা লাক্লি ।

রাস অমসুং নট সংকীর্ত্তন

'সবর্বরসঃ কদম্বময় রাস' নুংঙাইবা রস পুন্নমক্লা তিন্নববু রাস কৌই। রস খঙলবা মতিক মগুন চাউবা টীকাকারশিংনা শ্রীহরিগী রাস লীলাবু, তোঙান তোঙানবা ভাবতা পুথোক্কুনা ব্যাখা তৌনরি। কনানা পরমব্রহ্মগা জীবাত্মাগা, অনী তিন্নবগী লীলাবু রাসনি হায়। নুংঙাইবা পুন্নমক্লা তিল্লবা, ব্রহ্মানন্দ ফংববু রাস কৌই। সঙ্গীত শাস্ত্রদদি, রাস হায়বসি জগোই পামজবী নুপী ময়াম্না কোয়রগা, জগোই হৈবা নিপা অমনা ময়ায়দা লৈরবা জগোই শামিন্নববু হল্লীশক কৌই। হল্লীশক অসিদা, তাল, মেন পান্দুনা খোংথাং খুথেক হাপ্পুনা শাবা জগোইবু রাস (জগোই) কৌই। মণিপুরনা মসিবু জগোই হায়না খঙনৈ।

মণিপুরধিপতি জয়সিং ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা অসিগুম্বা মীওইবগী জড়দেহ অসিদা দিব্যপ্রেম পুথোক্কে হায়না খল্লদুনা শ্রীরূপ পরমানন্দদা মধুর- প্রেম ভক্তিদা দীক্ষা লৌদুনা ভক্তিব্যাস অমসুং খুম্বোং চন্দ্র সিদ্ধান্তগা লোয়ননা মৈতৈ 'ধর্ম্ম অমসুং ভগবত ধর্ম্ম' অনি অসি অমত্তা ওইনা তিনশিন্দুনা মবুংঙো শ্রীগোবিন্দদা অদুগুম্বা সবর্বরস কদম্বময় রাস, লীলাবু সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞগী মশক ওইনা ইং শোক ১৭৭৯ গী হিয়াঙ্গৈ থাগী কার্ত্তিক তরামাথোইনি পানবা (একাদশী) ইরাই নুমিত্তা শ্রীগোবিন্দ অভিষেক তৌরগা লংথবান কোনুংগী রাস মণ্ডলদা নুমিৎ মঙানি শান্নদুনা মণিপুরগী ইহান হানবা জগোই রাস ওইনা নট সংকীর্ত্তনগা কোন্ননা কৎখি।

মণিপুরগী জগোয় রাস মণিপুরতগী ওইবা ওজা গুরুশিংগী খুৎশেম অমনি। লাই হরাওবগী যুম্ফমদা শাগৎলকপনি। অথুপ্পা ব্রারুদি শ্রীমদ্ভাগবতকী রসকী মশক ওইরবা ভগবান কৃষ্ণনা মাধুর্য্য আস্বদন তৌনীংদুনা হলাদিনী শক্তিগী মশক ওইরবী ব্রজগী গোপীশিংগা শান্নখিবা লীলানি। মশান্নদি অঙাংনা মশাগী মমিগা শান্নবগুম্না। অদুবু মসিগী মমি হায়বসি মমি নত্তে হকচাংনি

ভগবানদি রসময়নি, আনন্দময়নি। অসিনা মানা লীলা শান্নবনি। জড়দেহ অসিমক্তা আধ্যাত্মিক আনন্দ ফোঙদোকপা য়াই হায়বসি খঙহন্নবা রাস লীলা শান্নবনি। রাজর্ষিনা শ্রীগোবিন্দ নিরুপন তৌরগা সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞ লিংখত্তুনা ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণদা আত্মাহুতি তৌই। অমুকসু মহারাস কত্তুনা সংকীর্ত্তন যজ্ঞগী মশক ওইনা আত্মা সমর্পণ তৌজে।

নট সংকীর্ত্তনগী ক্রম অসিমক্তদা সংকীর্ত্তনগী শরুক অমসুং কীর্ত্তনগী শরুক হায়না মতাং অনি থোক্লা খায়দোক্কই । দেবতাশিংবু আবাহন তৌজদুনা খুরুম খারুমজবা, পুর্বরঙ্গগী শরুক ওইরিবা সংকীর্ত্তনগী অহানবা রাগা মঙাগা লোয়ননা অরোইবগী রাগ বিজয়গা পুন্না মতাং তরুক্লা সংকীর্ত্তনগী শরুক ওইহল্লগা রাগ স্বধিনগী মতাং অসিনা মপুম তিংনা কীর্ত্তনগী শরুক হায়না তোপ্না খায়দোক্তুনা থমলি । নট সংকীর্ত্তন অমসুং জগোয় রাস অনীসি ভাব অমরোমদা অনীমক সংকীর্ত্তননি হায়ববু সংকীর্ত্তননা পূর্বঙ্গগী শরুক অদুগা রাস লীলনা কীর্ত্তনগী শরুকনি। অদুগা নট সংকীর্ত্তনবু রাসকী পুবর্বরঙ্গ ওইনা হেক লৌখ্রবসু সংকীর্ত্তনগী চপ চাবা মশক্তা অকায়বা খরদি লৈ। রাস লীলাবু সংকীর্ত্তননি হায়না খল্লবদি অনীমক অমতনি হায়না উবা ঙল্লবদি হৌদবা য়াদবা সংকীর্ত্তননা মশানা পুবর্বরঙ্গ ওইবা মতাবনি। রাসলীলামক্কী পুবর্বরঙ্গসু লৈতববুদি নত্তে।

অদুবু মনিপুরী গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী লাইনিংদদি রাসলীলা মতোমতনা সংকীর্ত্তন মপুং ফারে হায়না পেনখোকপা ঙমদে। মরম অসিননী গোবিন্দগী মাঙগুম্লা নত্তনা মাঙপ খুদিংমক্তা জগোয় রাস কৎপদা নট সীকীর্ত্তন হৌনরিবা, মরমদি ভাব অমসুং রসতা রাসলীলা অসি নট সংকীর্ত্তনগী শরুক অমনি, ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী মিলন ওইরবা তিনবাঞ্জা পাঙথোক্ল বগীদমক্তা অবতার তৌবীরক্লবা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যদা অহানবা বৈষ্ণব পুম্নমক চঙজবা তাই। অদুনা সংকীর্ত্তন লোইবদা নিত্যাইপদ তাকপা তাবনি। গৌরনিত্যাই অমতনি হায়বগী ভাবসু য়াওরি।

ব্রজলীলা অসিনা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য ভাবীদা (গৌরচন্দ্রনা রাধা ভাবতা লুপ্লা মতমদা) শান্নখিবনি। চুম্লগী নট সংকীর্ত্তনদা গৌরাঙ্গ ভাবীদা ব্রজলীলা শান্নে অদুগা মতাং অমদা লোইশিল্লি। অসিগুম্বা ভাবিগী মওংদা মণিপুরী বৈষ্ণবশিংনা জগোয় রাসপু থম্বনি। ইবুংঙোগী ভাবীদা রাসলীলা শান্নখিবগী রস অদু ভক্তশিংনা চুপচবা ফংজবনি। মণিপুরী বৈষ্ণবশিংনা ষ্টেজগী কুম্মৈগুম্বা রাসলীলা য়েংবা নত্তে কুম্মৈসু নত্তে। রসকী য়ৌগ্রবা সাধনাগী মশক্তি, লৈজবা পুম্না ইবুংঙো ইবেম্মদা, অনীমক্কী অমত্তা ওইবা মশক লৌরিবা গৌরচন্দ্রদা কথোকচবনি, আত্মা সমর্পণ তৌজবা তম্বনি। সাধনাগী মশক অমনি। অসিনা রাসলীলাবু সংকীর্ত্তনদগী থানবা লৈতনা, সংকীর্ত্তনমক্তি হায়না খন্দুনা ইবুংঙোগী ভাবীদা ফংলকপা দর্শণ অদু রসিক ওইরবা হায়বদি সাধক ওইরম্বা দেহদগী সিদ্ধ- দেহ ওইরক্লবা ভাবোক্লা ব্রজলীলাবু দৃশ্যকাব্য ওইনা য়েংজবগী খুদোঙচাবা অদু ফংজবনি হায়না লৌবনা বৈষ্ণব সাধনাগী পরীংগা হেন্না চুনবা ওইগনি হায়না লৌজে। অসিনা রাসলীলা অমদি সংকীর্ত্তন অমত্তনি হায়না লৌগনি।

নট সংকীর্ত্তনগী ফিজেৎ লৈতেং

মৈতৈগী সংকীর্ত্তনগী ফিজেৎ- লৈতেং অসি মৈতৈগী ওইজবা, অরাংবা দর্শনগী তোপ তোপ্পা ফিজেৎ মথল অমনি। মচুনা অঙৌবনি। মায়- মিত্তা মচু শঙদুনা মেক- অপ তৌদে। নট সংকীর্ত্তনগী ফিজেৎ লৈতেং অসি চাওরাক্লা মথাগীশিংসিনি হায়না লৌবা য়াই। মদুদি :- ১) ফৈজোম, ২) খ্বাংয়েৎ, ৩) কোয়েৎ, ৪) উরিক- লুগুন, ৫) চন্দন, ৬) পুঙ (পুঙ- য়ৈবগী), ৭) কর্তাল (ঈশৈ- শকপগী), ৮) মনুংফি অসিনচিংবা অসিনা মপুঙ ওই। চোলোম্নচিংবা তৌবদা খুদোং চানবা হায়দুনা য়াম্না চেকশিন্না শেৎলি। ফৈজোম নামৈ হাপই। খুকউ- মখা চোন্না ফৈজোম শেৎলি। য়েংবদা শামুগী মনাতোন মানবা মওংদা মাঙদা কুঞ্জা থাদৈ। ফৈজোম মথক্তা খ্বাংয়েৎ মরাক অনী তাইবা লঙারা ফিবুম অমনা খ্বাংদা চেৎনা লাকশিল্লি।

পালাগী কোয়েৎ অসি মখল অনী শুই :- কোক অচৌবা অমসুং মচা (চাংখ্রংতাবী)। শ্রাদ্ধ কর্ম্মদদি পালাশিংনা কোয়েৎ অচৌবা য়েৎলি। পুঙ য়ৈবদি চাংখ্রংতাবীগী কোয়েৎ মচা য়েৎলি। অদুগা পালাশিংনা অষ্টি সঞ্চয়দনা কোয়েৎ মচা য়েৎলি। পুঙ য়ৈবদি কোয়েৎ হোংংদে। শ্রাদ্ধগী লোইশিল্লকপা মতাংদা, ফিরোই থাবগী মতমদা কোক হায়না খঙনবা ফি মচা অমা য়েল্লি। ফি অসি য়াম্না পায় অমসুং পিকই, কাফ অনীদমক পাকই। খুদুপ ৫। ৬ শাংই। মসি শীজিন্নদুনা পালাশিংনা কোয়েৎ ওইনা য়েৎলি। কনাগুম্বনা ফিরোই হোংবা অসি পালা খুদিংমক্কী ওইনা হোংবা য়াওই। অদুবু তঙাইফদনা ঈশৈ হুনবা পুঙ- য়ৈবা, দুহার, খোনবাংবা মঙা অসিদি ফিরোই হোংদবা য়াদে।

হৌজিক ঐখোয়না উরিবা পালাগী ফিজেৎ অসি নিংথৌরেল কয়ানা মথং মথং শেমদোক্লবা মতুংদা ওইরকখিবনি। য়াম্না ফজবা মওংদা শেমদোকখিবদি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমদনি (১৮৩৪-১৮৪৬)। মসিগী মথংদা নরসিংহ মহারাজগী মতমদা খর শেমদোক্তুনা মপুং ফাহনখি। হৌজিক চৎনরিবা অসি চুরাচান্দ মহারাজগী (১৮৯১-১৯৪১) মতমদগী চৎনরকপা ফিজেৎনি।

তাললিপি (Notation)

পুঙ-- ঈশৈ অমসুং জগোইদা য়াওরিবা তাল, মাত্রা অমসুং ছন্দশিং অদুবু নীংথিনা খঙবা য়ানবা নিয়ম অমগী মখাদা ইথোক্তুনা থম্নবু তাললিপি (Notation) কৌই। মসি ৩৫০ B.C. গী মমাং ওইনা স্বরলিপি ইবগী মওং চৎনরক্লে। অদুগা তৌবদি হৌজিক্কী চৎনরিবা মওং অদুম্না য়াম্না শুগায়নদি লৈরমদে। খুদম ওইনা, শোক ১২৭৫ দা ক্ষেত্রমহন গোশ্বামি কৌবা অমনা মাত্রাগী খুদম পুথোক্তুনা "সঙ্গীত সার" হায়বা লাইরিক অমা ইখি। মদুদা তাললিপি স্বরলিপিগী নিয়ম চৎনবা হৌখ্রবনি।

মাত্রাশিংগী তোঙান তোঙানবা থেন্নবা খুদম লৈ। মদুদি :-

১) ‘ - ’ চৈতেক্কী খুদম অসি “সঙ্গীত সার” গী খুদমদা চৎনবনি।

২) ‘ । ’ আকার মাত্রা অসি জোতিন্দ্রনাথ ঠাকুরনা পুথোকপনি।

৩) ‘ 0 ’ শুন্য অসিনা রাজনিকান্ত দস্তিদারনা পুথোকপনি।

৪) ‘ S ’ এস খুদম অসিনা হৌজিক্কী মতমদা পুথোকপনি।

তাললিপিগী কান্নবা

সঙ্গীতকী মনুংদা লৈরিবা অকুপ্পা মচাকশিং হায়বদি তাল, মাত্রা অমদি ছন্দশিং অদুবু তরু তরু ময়েক শেংনা উত্তুনা তম্বদা, পাবদা, লায়না থোকহল্লি অমসুং মতমসু চংহন্দে। মরম অদুনা মতম চিন্নরক্লবা হৌজিক্কী সাইন্সগী যুগ অসিদদি তাললিপি অসি অসুক্কী মতিক কান্নরবা তম্বদা লায়থোকহল্লবা পান্বে অমনি হায়বা য়াই।

মৈতৈ পূঙগী খোন্থোক অমসুং খুৎকী খুৎফম

(পুঙ মনাওগী খোন্থোক)

তেন - পূঙগী মনাও শাবকি মতাইদা খুদোনবীনা মখোল থাদোক্লুনা থাবদা ‘তেন’ হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

তাং - পূঙগী মনাও শাবকি ময়াইদা খুদোন মরিনা মখোল থাদোক্লুনা মতম অমত্তদা থাবদা ‘তাং’ হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

তঃ - পূঙগী মনাও শাবকি মতাই ওইরপনা খুৎনিংথৌ কোনশিল্লগা মতম অমত্তদা থাবদা ‘তঃ’ হায়বা খোন্থোক অসি থোকই। মসিবু “তুকা” হায়নসু খঙনৈ।

তা - পূঙগী মনাওদা থ্বাবকি ময়াইদা মতম অমত্তদা খুদোল মরিনা মখোল থাদোক্কুনা থাবদা 'তা' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

তাং - পূঙগী মনাওদা খুদোল মরিনা অহানবা মখোল থাদোক্লা থারগা অকোনবদা মখোল ফাজিন্না খুদোল লুপশিন্না থাবদা 'তাং' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

তং - পূঙগী মনাওদা থ্বাবকি ময়াইদা খুদোল মরিনা মখোল ফাজিন্দুনা থাবদা 'তং' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

ত্রং - পূঙগী মনাও থ্বাবকি ময়াইদা মখোল ফাজিন্দুনা খুনাওবী, খুৎনিংথৌ, খুৎয়াইনা হান্না থারগা খুদোনবীনা কোন্না মতম অমত্তদা খৎথববু 'ত্রং' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

তত্ত - পূঙগী মনাও থ্বাবকি ময়াইদা খুৎনাওবী, খুৎনিংথৌ, খুৎয়াই অহুম্না মখোল ফাজিন্দুনা হান্না থারগা খুদোনবীনা কোন্না মতম খরা শোইননা থাবদা 'তত্ত' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

(পূঙ মরুগী খোন্থোক)

খিং - পূঙ মরুগী থ্বাবকি ময়াইদা ওইগী খুদোল মরিমক্লা খরা থিংজিল্লপ তৌনা মখোল ফাজিন্দুনা মতম অমত্তা থাবদা 'খিং' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

ঘিন - পূঙ মরুগী থ্বাবকি ময়াইদা খুৎনাওবী, খুৎনিংথৌ, খুৎয়াই, খুদোম্বীনা বেড়ি মথক্তা মতম অমত্তদা মখোয় থাদোক্লা থাববু 'ঘিন' (গীন) হায়বা খোন্থোক অসি থোকই

মথক্কী মরুগী খোন্থোক অনি অসিদা খরা থাদোক- থাজিন, ফাদোক- ফাজিন তৌদুনা অয়ান্বা য়ৈ।

(পূঙগী মরু মনাও অনী তিন্নরগা থোকপা খোন্থোক)

খিন - (ঘিন + তঃ) অনীনা মতম অমত্তদা থাজিনমীন্নববু 'খিন' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

খেন - (ঘিন + তাং) অনী অসিনা মতম অমত্তদা থাজিনমিন্নবদা 'খেন' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

থেন - (খিৎ + তাং) অনী অসিনা মতম অমত্তদা থাজিনমিন্নবদা 'থেন' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

থিৎ - (খিৎ + তঃ) অনী অসিনা মতম অমত্তদা থাজিনমিন্নবদা 'থিৎ' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

থৎ - (খিৎ + তৎ) অনী অসিনা মতম অমত্তদা থাজিনমিন্নবদা 'থৎ' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

খেৎ - (ঘিন + তাৎ) অনী অসিনা মতম অমত্তদা থাজিনমিন্নবদা 'খেৎ' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

খ্র - 'খিৎ' না হান্না থারগা 'ত্র' না কোন্না মতম খরা কোন্না থামিন্নবদা 'খ্র' (খিত্র) হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

খ্রাং - 'খিৎ' না হান্না থারগা 'তাং' না খরা কোল্লপ্না থামিন্নবদা 'খ্রাং' (খিত্তাং) হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

তঘিন - 'তা' দা হান্না থারগা 'ঘিন' না খরা কোল্লপ্না থামিন্নবদা 'তঘিন' হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

ঘিন্নাং- 'ঘিন' না হান্না থারগা 'তাং' না কোন্না মতম অমত্তদা থামিন্নববু ঘিন্নাং (ঘিন্তাং) হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

গ্র - 'ঘিন' না হান্না থারগা 'ত্র' না কোন্না মতম খরা থেংথনা থামিন্নবদা 'গ্র' (ঘিনত্র) হায়বা খোন্থোক অসি থোকই।

গ্রাং- 'ঘিন' না হান্না থারগা 'ত্র' না কোন্না মখোল ফাজিন্দুনা থাববু 'গ্রাং' হায়বা খোম্থোক অসি থোকই।

ঘিন্ন - 'ঘিন' না হান্না থারগা 'ত্র' না কোন্না থাববু 'ঘিন্ন' (ঘিন্ত্র) হায়বা খোম্থোক অসি থোকই।

(পূঙ মরু মনাও হনবা খোম্থোক)

মরু মনাও হনবা হায়বসি পূঙগী মরু অমসুং মনাও অনীমক্তা খুৎ ওই- য়েৎ অনীনা লাম লামদুনা য়ৈবা অদুবু খঙনৈ।

তাংঙা তাংঙা তাং - অহানবদা খুৎ য়েৎনা 'তাং' হান্না থারগা মথংদা খুৎ ওইনা মনাওনা 'ঙা' থারগা য়েৎনা অমুক 'তাং' থাবা অদুগা ওইনা মনাওদা অমুকসু 'ঙা' থারগা য়েৎনা অকোনবদা 'তাং' অমুক থাবদা তাংঙা তাংঙা তাং হায়বা খোম্থোক অসি থোকই।

ঘিন্ন ঘিন্ন ঘিন - অহানবদা খুৎ ওইনা পূঙ মরুদা 'ঘিন' হান্না থারগা মথংদা খুৎ য়েৎনা মরুদা লামদুনা 'না' থারগা ওইনা অমুক 'ঘিন' থারগা খুৎ য়েৎনা মরুদা অমুক হন্না 'না' থারগা অকোনবদা খুৎ ওইনা 'ঘিন' অমুক থাবদা 'ঘিন্ন ঘিন্ন ঘিন' হায়বা খোম্থোক অসি থোকই।

তঘিন্তা - মনাওদা 'তা' হায়না হান্না থারগা মথংদা মরুদা 'ঘিন' অমুক থাবা অকোনবদা 'তা' হায়না মনাওদা থাবদা 'তঘিন্তা' হায়বা খোম্থোক অসি থোকই।

মৈতৈ পূঙ য়ৈবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ কাংলোন

ভগবানগী সৃজন সৃষ্টিগী মনুংদা লৈরিবা লেঙলি- পাল্লিবা পোৎশক খুদিংমক্কী ওইনা মাগী মাগী ওইবা ছন্দ নিয়ম অমমম লৈজে খুদম ওইনা গ্রহ উপগ্রহনচিংবশিংসু মাগী মাগী ছন্দ নত্রগা তালগী মখাপোন্না চৎনবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা তালগী মরুওইবা অসি পূঙ- ঈশৈ জগোই (সঙ্গীত) দসু অদূ মঙায়, সঙ্গীত হায়বা অসি ময়ায় কারমা শামুগুম্বনি। তালনা মদুবু লাক্লবা কাতিনি। মরম অসিনা তাল কায়রবা জগোই ঈশৈ পূঙদি কাতি থাদবা শামু, হিনাউ শাদবা হিগুম্বনি হায়না সঙ্গীত শাস্ত্রশিংদা প্রমান কয়ামুক্কা লোয়নননা বর্নণ তৌরি। লাই ওইখ্রবা ওঝাশিংনা থম্বীরম্বা মৈতৈ পুঙ য়ৈবগী কাঙলোনশিংদু মখাদা পীজরি।

অখঙবা - তপ্পা য়ৈরম্বদগী খঙহৌদনা কন্না য়ৈবা।

অচোংবা - পুঙলোন্দু চোংবা য়ৈবা অচোংবা তান্দা য়ৈবা।

অচোইবা - মপুঙ অমা য়ৈরিঙৈদা অতোপ্পা মপুঙ অমদগী পুঙলোন পুশিল্লক্তুনা য়ৈরিবা অদুবু অচোইবা কৌই। অতোপ্পা অমনা কোন্নবী নত্তনা অচাবা অমনা য়ৈবসু অচোইবা কৌই।

অহাপ্পা - তানবুং অমদা ছন্দ মান্নবা পুঙলোন পুশিন্দুনা য়ৈবা। নত্রগা তানবুং খুদিংদা হাপ্পনবা শেল্লবা অহাপ্পা পুঙলোন । মসিবু অলঙ্কার হায়নসু খঙনৈ।

অখায়বা - তাল অমদগী অতোপ্পা তাল অমা হোংলমদাইদা য়ৈবা পুঙলোন।

অওনবা - তাম্থা নত্রগা ছন্দ অমদা হোংদোকপা।

অতপ্পা - অতপ্পা মোং হাদবা খোঙচং তপ্পা চংপা।

অথুবা - অয়াংবা খোঙচং। থুনা চংপা।

অরাওবা - তানদু লন্না থাবা। মসিদা তানচপ অরাওবা অমসুং মেনকুপ অরাওবা হায়না মখল অনি লৈ। তান্মিং ৩২ লৈববু তাঙ্কপ অরাওবা হায়না খঙনৈ।

অকায়বা - তাল চাদবা, মাত্রা থুগায়বা, ওই চাবসু হায়নৈ।

অকনবা - শাফু কন্না থাবা নত্রগা য়ৈবা।

অশোনবা- শাফু কন্দবা তপ্পা য়ৈবা অশোনবা মী মানবা।

অখেংবা - মশা খিংবা, শোন্দম নাদম্বা অতপ্পা নত্তবা, ফর- ফর হায়বা।

অফিংবা - হাথু হাথু হায়জিনবা নত্রগা য়ৈশিনবা।

অহনবা - হন্না হন্না হায়বা নত্রগা য়ৈবা।

অনম্বা - তানগী খোঙচংতা কিৎ কিৎ নমদুনা য়ৈবা।

অহুনবা - মথক্তা হুনগৎপগুম খংনা থাংগৎলগা থুনা অমুক হুম্বা। মসি পুঙলোন খায়দোকপদা শীজিন্নে।

অরোংবা - মাংদা থবাক ইশ্লোক্তা য়াং তিংনা লৈববু থা লোংবা কৌই। মসি চোলোমদা অমদি চোলোম তৌরমদাইদা শীজিন্নে।

অরৈবা - খুদোং থানগৎলগা লৈবা, ফম্লগা লৈবা, লোংনা লৈবা, চেপ্পা লৈবা অসিনচিংববু অরৈবা কৌই।

অথেকপা - ঙক চংলুরগা কেনা নৌনা খদাং ইলখংলপ তৌগনি অমসুং থুনা অমুক থেকথনা লৈগনি।

অমেংবা - অথোংপা, অকেবা, মশা খিংদবা, নৌনা উহনবা।

অখেংপী - লেংদনা লৈবা ওইগী কর্তাল নাকচেপতা য়েংকী কর্তাল মশেক্লা শড়ক হুদনা খেত্নুনা অসুম মখোল থোকহনববু কর্তাল অখেংপী কৌই।

ইরোইনবা - পুঙগা ঈশৈগা খোঙচৎ অমসুং ইহুন অমদা পুন্না চৎমিন্নবা।

কন্না ফাজিনবা - খুৎ ওইনা নত্রগা য়েংনা পুঙ য়ৈনা য়ৈনা মখোলদু ফাজিন্না য়ৈবা অদুবুনি। তৎ, ঘিন, ধিন, থৎ, ধেৎ মখোয়সি ফাজিনবদা শীজিন্নবা পুঙলোনশিংনি।

কন্না য়ৈবা - শাফু য়াওনা কন্না য়ৈশিনবা অদুবুনি।

কোন্নবী - পুঙগা ঈশৈগা মান্ননা চৎপা।

কাটা - মপুঙ ফাদবা তাল য়াওনা শুদবা পুঙলোন।

কোইজা - য়েত্তসু ওইদসু ইচাদা চাবা তাল।

কর্তাল মরোল - কর্তালগী মরোন "চৌ ব্রাই কুপ" হায়বনচিংবা।

কাখল - মাত্রাশিংগী কাঙলুপ মচা অমমমগী পাঙথৈ অদুবু কাখল কৌই। হীন্দুস্থানি সঙ্গীত্তা মসিবু বিভাগ হায়না কৌই। তাললিপিদা অমদি স্বর লিপিদা ইবা মতমদা কাখল অমমমবু খণ্ডন্নবগীদমক্তা মরক্তা চৈথৈ নত্রগা অয়ুংবা লৈই অমমম চিংদুনা উৎলি। কাখলগী হেক থংনবা মাত্রাশিংদা তাল থাবা নত্রগা হায়দোকপগী থবক অসি তৌই। কাখল অমদা য়ামদ্রবদা মীহুন (মাত্রা) অমা ফাওবা লৈ।

খুৎলোন - খুৎ য়েৎনা পুঙগী মনাওদা মওং কয়াদা খত্নুনা য়ৈবদা তোঙান তোঙানবা মরোল থোকহনবা অদুবু খুৎলোন কৌই।

খৎপা - পুঙগী মনাওদা খুৎ য়েৎকী খুৎশাশিং অসিনা মাত্রাদা খৎপা অদুবু খৎপা হায়নৈ। খুদম ওইনা ত্রেন, ত্র অসিনচিংবা।

খুৎখৎ - পুঙ য়েবগী তোঙান তোঙানবা মওং মশাগী অমদি ওঝা ওঝাগী মত। মত অমনা য়ৈরিবা মরোলদু শেংব্রা শেংদব্রা করম তৌই হায়বদুনি।

খুৎফম - পুঙলোন্দু য়েবদা তেন, তাং, তঃ, ঘিন, খিৎ হায়না মাগী মাগী থাফম য়েফমদা থাবা য়েবদুবুনি। খুৎফম চারবদি মখোল চুমই, শেংই, চাদ্রবদি মখোলদু চুমদে তাবদা নুংঙাইতে।

খুৎথা - খুৎকী থম্ফম, থাফম চুম্বা চুমদব্রা হায়বদু খঙননবনি। অতোপ্পা অমনা পুঙলোন অমা য়েবা লোয়রকপগী থাবগী মওং থুনা থাজিনবা তপ্পা থাবা ময়ায় ওইরপ থাবা অসিনচিংবা।

খুৎয়ৈ - পুঙ য়েবগী তোঙান তোঙানবা মওং মতৌ হায়বদি ফাজিন্দুনা য়েবা, তপ্পা য়েবা, কন্না য়েবা, পুঙলোন লোত্তুনা য়েবা ফানা য়েবা, তাওনা য়েবা, লুপ্পা য়েবা, খত্তুনা ফিংনা য়েবা অসিনচিংববু খঙনৈ।

খুৎখায় - তাল অমদগী তাল অমদা হোংলকপা খায়দোকপদা য়ৈরিবা মওং মতৌ তাল হোংলকপা অদুবু খঙনৈ।

খুৎহন - য়ৈরিবা পুঙলোন্দু মতেক মতেক হনজিন্দুনা হায়বদি অলঙ্কার হাপ্তুনা য়েবগী মওং।

খুৎপু - পুঙ য়ৈরিঙৈদা মানা মানা পামজবা ছন্দ লয়দা য়ৈনরিবা মওং মতৌবু খঙনৈ।

খুৎহাই - পুঙ য়েবনা চোলোম তৌবদা মখুৎ মশা হায়দুনা মানা মানা পামজবা মওংদা হায়দোক হায়জিন তৌবা অদুবু খঙনৈ।

খুংহায় - চপ মান্নবা পুঙলোনবু ছন্দ মওং কয়াদা হন্না পুথোক্কুনা য়ৈরকপা অমদি তাল থারগা হায়বা, থামিন্নবা, হায়গৎলকপনচিংবদা হায়বা অদুবু খঙনৈ।

খুংলোয় - পুঙলোন অমা য়ৈবা লোইরকপগী মওং লুম্না থাবা, য়াংনা থাবা, কায়না থাবা, ফজনা মশা নান্না থাবা অসিনচিংবনি।

খুংতা - পুঙলোন য়ৈবদা ফজবা, ফজদবা অমদি খৎপদা চুমবা চুমদবা ফজৈ ফজদে হায়না ঙাংনবা। খুদম ওইনা খুংতা ফজৈ, ফজদে হায়না ঙাংবদা শীজিন্নে।

খুংয়ৈ - পুঙ য়ৈবা মীশিংগী মাগী মাগী ওইবা খুংয়ৈ অমমম লৈজৈ, কনানা থুনা- য়ৈ কনানা ছারাদা য়ৈবা হৈনৈ কনানা কোন্নবীদা, কনানা তানদা অমত্তা মান্নদে খুংয়ৈ অমমম্লি।

খঙহনবা - শাফুগা লোয়ননা কন্না য়ৈবা অদুগা অমুক তপ্পা লৈরগা খঙহৌদনা অমুক হাইগত্তুনা য়ৈবা।

চপর - খুংশা মরিনা পুঙগী মনাওদা ফজনা থাবা অদুবুনি তাং, তা, তাৎ হায়না থাবসি চপরনি।

চাংচৎ - মান্নবা খোঙচৎ (মিহুন) সেকেন্দ কাটাগুম্না চৎপা খোঙচৎ।

চৌগুন - তাল অমদা লৈরিবা পুঙলোন অদু তালদু কাইহন্দনা পুঙলোন্দু তান্দুদা মরিরক হন্না য়ৈবা অদুবুনি।

চোংবা - তাল অমা য়ৈরিঙৈদা অতোপ্পা খোঙচৎ অমদা য়ৈবা হায়বদি তাল অদুদি কায়হন্দনা পুংলোন্দা অথুবা অতপ্পা শিজিন্নদুনা য়ৈবা।

চেপথা - নাকন্দা ঙক চেপ্পা চৎপবু খঙনৈ।

চেঙ্লা - চোলোম তৌরুরগা নাকল অমদা হুকচাং পৈথনা লৈববু খঙনৈ।

তানবী - তালগী কাখল (বিভাগ) খুদিংদা তান্থা ওইবা খুদম ওইনা

+ ২ ৩

ধেন তেন তাং । তত্তা খিত্তা । ঘিন্তা ঘিন্তা

পুঙলোনগী মথক্তা +, ২, ৩ থারিবশিংসিবু তানবী কৌই।

তানকোক - তাল অমগী অহানবা তান্থা অদুবু তানকোক কৌই। '+' মসিবু সম হায়নসু খঙনৈ। মথক্কি 'ধেন' হায়বসি তানকোকনি। মথক্কী তানবীদা পীরিবসি। তাললিবিদা তানকোক (সম) গী মফম খঙনবগীদমক্তা অহানবা মাত্রাগী মরোল অদুগী মপাদা মথক্তা তিনশিনবগী (+) খুদমসি থমনৈ।

তানমাং - পুঙ য়ৈবদা য়াম্লা ফিংববু তানমাং চাবা হায়না খঙনৈ ।

তানয়ায় - পুঙ য়ৈবদা য়াম্লা ফজনা ইংনা তপ্না য়ৈরিবা অদুবু তানয়ায় চাবা হায়নৈ ।

তানমৈ - পুঙ য়ৈবদা সোল্লপ তৌনা য়ৈববু তানমৈ চাবা হায়নৈ ।

তান্থা - তান থাফম অদুবু তান্থা হায়না খঙনৈ। মসি সংস্কৃত্তা পাতাকালা নত্রগা সশব্দ হায়নসু খঙনৈ। হীন্দুস্থান্নি সঙ্গীতনা তালী নত্রগা ভরী কৌই।

তালহায় লাকহায় - করিগুম্বা ঈশৈ অমা শক্লিঙৈদা পুঙ য়ৈবনা ঈশৈ অদুগা চান্ননা ফজবা মওং অমদা অঙকপা অমা ওইনা থোকহল্লবদি তালহায় লাকহায় ফজৈ হায়নৈ। মান্দ্রগনা তালহায় লাকহায় ফজদে হায়নৈ।

তানচৎ - চপ মান্নবা তাল অমদা খেন-খেন্নবা খোঙচত্তা চত্নুনা মান্নদনা য়ৈনবা অদুবুনি। মসিবু লয় (তানচৎ) হায়নসু খঙনৈ।

তানশক - তোঙান তোঙানবা তালগী মমীং খঙনবা ৱাহৈবু তানশক কৌই।

তাল - সঙ্গীত্তা য়ৈরিবা, শক্লিবা, খোংলিবা নত্রগা জগোই শারিবা অদুগী খোঙচৎ অমদি চৎলিবা চাংগী ইহুল অদুগা লোয়ননা মতমগী অতেন- অশাংগী নাপ ওল্লিবা পাদম অদুবু তাল কৌই। ঈশৈ শকপদা, যন্ত্র খোংবদা নত্রগা জগোই শাবদা তাল অসি থাননবা নত্রগা য়ৈননবা বাদ্য যন্ত্র কয়ামরুম লৈ। নট সংকীর্ত্তন অমসুং নুপী পালাদা পুঙ, কর্তাল অমসুং মন্দিলানা তাল থানবা অথোইবা বাদ্যনি। উত্তরি হীন্দুস্থানি সঙ্গীত্তা তবলা অমদি পখ্বাজনা তাল থানবা অথোইবা বাদ্যনি। সঙ্গীত্তা স্বর অমসুং লয় অনিসি অসুক্কী মতিক মরু ওই মদুদি স্বর খক্তমক লৈরগা মদুদা তানচৎ (লয়), তাল য়াওদ্রবদি ঈশৈ ওইবা য়াদে। মরমশিং অসি লৈবদগী তালবু সঙ্গীতকী থৱাইনি হায়না হায়নৈ।

থাদোকপা - য়ৈরিবা পুঙলোনদু ফাজিনবা য়াওদনা থাদোকপবুনি। তাং, থেন, ধেন মখোয়সি থাদোকপা পুঙখোলনি।

থাবা - য়ৈরিবা পুঙলোনদু য়ৈবা লোইশিনবা অদুবু থাবা কৌই।

ঠেকা - পুঙ, তবলা, পখ্বাজনচিংবা বাদ্যশিংদা য়ৈনরিবা করিগুম্বা তাল অমগী অরেপ্পা অমদি মপুংফাবা মরোন (বোল) অদুবু 'ঠেকা' হায়না খঙনৈ।

থাজিনবা - পুঙলোন অমা য়ৈরকপদা অশৎপা হায়বদি থুজিনবা তানদি কায়হনদবা অদুবু খঙনৈ।

থুজিনবা - মসি য়াম্না ইংনা হৌরম্বদগী মথং মথং খোঙচৎ য়াংনা চেনখৎলকপা অসিবু থুজিনবা কৌই। মেন হৌরকপদগী মেন থাবা ফাওবসি মসিগী খুদমনি।

থুদবা - মসি য়ৈরিবা খোঙচৎ অদুদা লেঙদনা য়ৈবা অথুবা নত্রগা অতপ্পা য়াওদবা চাংচৎ অমদা চৎপবু খঙনৈ।

দুনি - তাল অমদা লৈরিবা পুঙলোন অদু তালদু কাইদনা অনীরক হন্না পুঙলোন হায়বা অদুবু খঙনৈ।

থাদোকপা - য়ৈরিবা পুঙলোনদু ফাজিনবা য়াওদনা থাদোকপবুনি। তাং, থেন, খেন মখোয়সি থাদোকপদা শিজিন্নবা পুঙলোন্নি।

থাবা - লোইশিনবা হায়বদি য়ৈরক্লিবা পুঙলোন্দু য়ৈবা লোইশিনবা অদুবু থাবা হায়নৈ থাদোকপসু অদুম হায়নৈ।

থাজিনবা - মসিনা খঙনরিবদি য়ৈশিনবসু খঙনৈ। অদুগা অর্থ অমদনা মথং মথং নোত্তুনা য়ৈশিনবসু খঙনৈ।

থারগা হায়বা - চৎলিবা তাল অদু থামিন্নবা নত্তবা তালদু থারগা কোন্না পুঙলোনদু হায়ববু খঙনৈ।

থামিন্নবা - তালগা পুঙলোনগা মতম অমত্তদা চৎমিন্নববু থামিন্নবা হায়রগা খঙনৈ।

থাংগৎপদা হায়বা - মসিবু হায়গৎপদা হায়বা হায়রগসু খঙনৈ। তাল অদু থাখ্রবা মতুংদা হায়গৎলকপদা পুঙলোন অদু হায়ববু থাংগৎপদা হায়বা হায়নৈ।

থুংখোঙ - মসি হকচাংগী ফিবম লেপফম লৈফম অদুবু খঙনৈ। মসি মখল ৩ শুই। মদুদি থুংখোঙ মচা (অনেম্বা) থুংখোঙ ময়াই অমদি থুংখোঙ অৱাংবা মসি পুঙগী চোলোমদা শিজিন্নৈ।

থাংগৎপা - মসি পুঙ য়ৈরুরগা খুৎ থাংগৎপা মতমদা মিংচিগী মপাদা থমগনি। হেন্না ৱাংনা থাংগৎপা য়াদে। অদুগা চোলোম তৌবা মতমদসু খোঙ অসি খুবোমদগী হেন্না থাংগৎপা য়াদে হায়বা ওজাশিংগী নিয়ম লৈ।

ভঙ্গা - অকায়বদা য়ৈবা লোয়চৎ অমনি। মনুংদাদি একতালগী মিহুন অদু কায়দনা লৈরিবনি। মসি মখল য়ামৈ মদুদি :- তিন্তাল ভঙ্গা, মেল ভঙ্গা, স্বাধিন ভঙ্গা অসিনচিংবা।

সারা - ভঙ্গাগা অমত্তনি হায়বা য়াই মাসু অতাওবদা য়ৈবা মনুংদদি মিহুল কায়হন্দবা অদুবুনি।

মখোল - পুঙ য়ৈবদা থোকপা খোল্লোক নত্রগা খোঞ্জেল।

মরোল - পুঙগী মরোল পুঙলোন। য়ৈবদা থোক্লকপা মরোল খ্র খ্র তেন তা থেন- ধিন হায়বসি পুঙগী মরোলনি।

ময়াই ওইরপ ফাজিনবা - মরু ওইরবসু মনাউদবু ওইরবসু য়ৈবদা কন্না ।জিনবা নত্তবা ময়াই ওইরপ্পা খরা ফাবা অদুবুনি। তাৎ, ধেন, ঘিন ময়াই ওইরপ ফাজিনবদা শিজিন্নবা পুঙলোনশিংনি।

মপুঙ - তাল অমগী লেঙদ্রবা মপুঙ ওইবা তানচৎ পুঙলোন অদুবু মপুঙ কৌই।

মঙক নাইবা - মসি মখল অনিনি অমনা য়ৈবদা তাল মেন খরা সোইথিবা হায়বদি তাল হেন্দোক্লা নত্রগা হ্রাৎনা য়ৈবা নত্রগা থাবা। অতোপ্পা মত অমনা পুঙলোন্দু য়ৈবদা মশাগী ওইনা খরা চোঙ্থরপ তৌববুনি।

মহাদা থাবা - করিগুম্বা পুঙলোন অমগী তাল অদু লোইশিন্দনা তাল অদুগী মরক্তা থারবদি মদুবু মহাদা থাবা হায়নৈ।

ময়ায় - অতক্লদগী খরা থুবা ময়ায় ওইবা অথুবসু নত্তবা থোঙচৎ। ময়ায় ওইবা থুংখোঙ হায়বদি ফিবমবুসু খঙনৈ। ফা- কত্তবদসু শিজিন্নৈ মহাক ময়ায় ওইনা কৈ অসিনচিংবা।

মিহুন - মসিবু মাত্রা হায়না খঙনৈ। তাল অমদগী তাল কাওবা চৎলিবা অকুপ্পা থোঙচৎপু মিহুন হায়না ওজাশিংনা হায়নৈ।

ৱাহৌদোক - করিগুম্বা সো অমা উৎপদা ইহান হান্না য়ৈবা পুঙলোন অদুবু খঙনৈ। মসিদা অঙকপগা লোইনবা অখঙবগী মশক য়াওগদবনি। মসি সংকীর্ত্তনদা হায়রগা রাগগুম্বনি।

ৱারোই - মসিনা লোইশিনববু খঙনৈ, মদুদি য়ৈবা খোৎপা পুম্মক লোইরগা ইরোয় লোয়বদা য়ৈবা অদুবু খঙনৈ। সংকীর্ত্তনদি মসিবু বিজয় জয় ভাই লৌবা হায়নৈ।

হায়দোকপা - তান থারগা হায়দোকপা অহাংবা মফম অদুবু হায়দোকপা হায়না খঙনৈ। অদুগা থায়নগী ওঝাশিংনা 'ওই' হায়রগসু খঙনৈ। হৌজিক্কী মতমদদি মসি 'ফাক' হায়রগা খঙনৈ।

হায়গত্তুনা হায়বা - পুঙলোন অমা য়ৈরিঙৈদা খঙহৌদনা পুঙলোন অদু অথুবা লয়দা হোংদুনা য়ৈবা অদুবুনি। মসিবু অথুবা খোঙচৎ (লয়) হায়রগসু খঙনৈ।

হনজিনবা - পুঙলোন অমনা হন্না হন্না হায়বা মসিবু অলঙ্কারসু হায়নৈ।

হন্দোকপা - "খোঙচৎ তপথরকপা অদুবু হন্দোকপা কৌই।" মসিবু চিংথবা নত্রগা কোমথোকপা হায়রগসু খঙনৈ।

হকচাং - মসিবু অঙ্গ হায়না হিন্দুস্থানী সঙ্গীতা খঙনৈ। মসি তালগী মশক অদুবুনি।

একতালগী হকচাংদি - । ০ অসিনি।

। । । ।

অহানবগী মকোক থংবা লৈই অচৌবা অসি তাল থাফম্নি। শুন্য অদুনা ফাক নত্রগা হায়দোকপনি। অদুগা লৈই মচা মরিখক মখাদা লৈরিবা অদুনা মাত্রানি। লৈই অহমশুবদা হায়দোকপা ওই অদুগা অরোইবা মাত্রাদা ইনখৎলিবা অদুনা মকোক হনজিনবনি হায়বা খঙনবনি।

পূঙলোন অমসুং ঈশৈ ইবদা শীজিন্নরিবা খুদমশিং

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা পুঙলোনশিংবু তাল, মাত্রা, তান্থা অমসুং ফাকশিংবু ছন্দ নাইনা ইথোকচবা মতমদা শীজিন্নরিবা খুদমশিংগী শন্নপ্পা ব্বারী খুদমগা লোয়নননা মখাদা পীজরি :-

'+' কারন চিংলিবা তিনশিন্নবা খুদম অসিনা পুঙলোন অমসুং ঈশৈগী মকোক্তা লৈরন্নবদি য়েৎ (সম) নত্রগা অহৌবা তানকোকনি হায়না খঙনগনি।

'0' শুন্য খুদম অসিনা পুঙলোন অমসুং ঈশৈ অমগী নত্রগা মাত্রা অমগী মথক্তা লৈরন্নবদি হায়দোকপা (ফাক) নত্রগা ওইনি হায়না লৌগনি।

'ঃ' খুদম অসিনা পুঙলোন অমসুং ঈশৈ অমগী মমাঙদা লৈরন্নবদি মাত্রা তঙ্খায় চংবা হায়রবদি তান থারগা হায়গনি নত্রগা চোংদুনা হায়গনি হায়বা খঙনগনি। অমনা পুঙলোনগী (ধেঃ) মতুংদা লৈরগনি। পুঙ মরু নত্রগা মনাও মরু ওমলপ হায়বা নত্রগা ফাজিনবনি হায়না লৌগনি। 'ত' গী মতুংদা লৈরগনা তুক্কানি হায়না লৌগনি (তঃ)।

'।' চৈথৈ অমগী খুদম অসিনা অমা অনী অহুম লাকপা, তান্থা অমগা অমগা তাইনফমবু কাখন নত্রগা বিভাগনি হায়না খঙনগনি। পুঙলোন অমসুং ঈশৈগী মথক্তা অঙ্ক মশিং ২, ৩, ৪ নচিংবা লৈরবদি তান্থা মশিংনি হায়বা খঙনগনি অদুবু অহানবা তান্থাদি '+' খুদম অসি ওইগনি।

'_' খাইদোকপা খুদম অসিনা মাত্রা অমমমনি হায়বা খঙনগনি।

'-' হাইফেনগী খুদম অসিনা পূঙলোনগী মমাংদা লৈরন্নবদি অচোংবা থারগা হায়বনি খঙনগনি।

সাজল তানচপ- সাজিলা ধনী

(অহানবা পদ)

সাজিলা ধনী চান্দবদনী ধনী বনী বনীরে (এ) ...।

+					0				
॥ সা	-	জি	লা	।	ধ	-	নি	-	।
-	-	চান	দ	।	ব	দ	নী	-	।
-	-	ধ	নী	।	-	ব	নী	-	।
-	-	-	-	।	-	-	ব	নী	।
রে	এ	এ	এ	।	এ	এ	এ	এ	॥

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নগী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

॥ তৎ	ত্রখ্র	তঃ	-	।	খিৎ	-	তঃ	-	।
-	-	খিন	খেন	।	ঘিন	তঃ	তাং	-	।
-	-	ঘিন্ন	খেন	।	-	খিন	খেন	-	।
-	-	-	-	।	-	-	খিন	খেন	।
ঘিন	তাং	তত্ত	খিত্তা	।	খিত্তা	তঃঘিন	তাং	-	॥

(অনীশুবা পদ)

নয়ন সুরঙ্গিনী মদন বিমোহিনী হাস বিকাসিনী চন্দ্রাবলি ধনি।

(অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

-	-	ন	য়	।	-	ন	সু	-	।
র	-	অং	-	।	গি	-	নী	-	।
-	-	ম	দ	।	-	ন	বি	-	।

+					0				
মো	-	-	-	।	হি	-	নী	-	।
-	-	হ্যা	-	।	স	-	ৱি	-	।
কা	-	-	-	।	সি	-	নী	-	।
-	-	চন	-	।	-	ত্র	যি	-	।
নি	-	-	-	।	ধ	নী	-	-	।
এ	এ	এ	এ	।	এ	এ	এ	এ	।
এ	এ	এ	এ	।	এ	এ	এ	এ	।
সা	-	জি	ল	।	ধ	-	নী	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোল্লগী পুঙজোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

+					0				
-	-	তাং	তা	।	-	খিন	তাং	-	।
খিন	ত্রখ্র	তেত্তা	খিত্তা	।	তেত্তা	খিত্তা	তঃ	-	।
-	-	তাং	ঘিন	।	তা	তঃ	খিং	তাং	।
ঘিন	তেন	-	তা	।	তঃ	-	তাং	-	।
-	-	থেন	ত্রখ্র	।	তেন	-	তঃ	-	।
থেন	তাং	তঃ	খিন	।	তঃ	ঘিন	ধেন	-	।
তঃ	-	ঘিন্ন	গ্র	।	ধেন	-	তঃ	-	।
-	ধেন	তঃ	ঘিন্ন	।	তঃ	তাং	খিং	-	।
তঘিন	ঘিন্ন	তঘিন	ঘিন্ন	।	তঘিন	ঘিন্ন	ঘিন	-	।
খিন	-	থেন	-	।	ধন্ন	ঘিন্ন	ঘিন	-	।
তং	ত্রখ্র	তঃ	-	।	খিং	-	তঃ	-	।
-	-	খিন	ধেন	।	ঘিন	তঃ	তাং	-	।

(অহুমশুবা পদ)

সুচারুচিকুর কবরী বান্ধাল শ্রবনে কুণ্ডল গণ্ড ঝলমল।

+					0				
-	-	সু	-	।	চা	-	রু	-	।
চি	-	-	-	।	কু	-	র	-	।
-	-	ক	-	।	ব	-	রী	-	।
বন	-	-	-	।	ধ	-	ন	-	।
-	-	শ	র	।	ব	-	নে	-	।
কুন	-	-	-	।	দ	-	ল	-	।
ঝ	-	-	-	।	-	-	ল	-	।
ম	-	-	-	।	ল	-	-	-	॥

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

+					0				
॥-	-	ধন	তঃ	।	ঘিন	ঘিন	ধন	তঃ	।
ঘিন	-	ধন	তঃ	।	ঘিন	ঘিন	তাং	-	।
-	-	তঃ	খিত্তা	।	তঃ	খিত্তা	তঃ	খিত্তা	।
তাং	-	তঃ	খিত্তা	।	তঃ	খিত্তা	তঃ	খিত্তা	।
তাং	-	তঃ	খিত্তা	।	তঃ	খিত্তা	তঃ	খিত্তা	।
তঃ	-	তঃ	খিত্তা	।	তাং	-	তঃ	খিত্তা	।
তাং	-	-	-	।	-	-	থেন	-	।
ঘিন্ন	ঘিন্ন	ঘিন্ন	ধেন	।	ঘিন্ন	ঘিন	তাং	-	।

(মরিঙুবা পদ)

নয়ন যুগল কাজরে উজজর হেরইতে রতী পতি পরল বিভর।

(অহুমশুবা পদ হঞ্জিনগনি)

+					0				
-	-	ন	-	।	-	য়	ন	-	।
যু	-	-	-	।	গ	-	ল	-	।
-	-	কা	-	।	-	জ	রে	-	।
উ	-	-	-	।	জ্জ	-	র	-	।
হে	র	ই	তে	।	র	তী	প	তি	।
-	-	প	র	।	-	ল	-	বি	।
ভ	র	সু	-	।	চা	-	রু	-	।
চি	-	-	-	।	কু	-	র	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরি।

+					0				
-	-	তাতেন	তাতঃ	।	ঘিন	-	তঃ	-	।
ঘিন	তেন	-	তা	।	তঃ	-	তাং	-	।
-	-	-	তাং	।	-	খিৎ	তঃ	-	।
-	থেন	-	থেন	।	-	থেন	তঃ	-	।
তাতেন	তাতঃ	খিত্তা	ঘিত্তা	।	তঃখিৎ	তৎ	ধিন	ধেন	।
-	-	ঘিন্ন	ধেন	।	-	ধেন	-	ধিন	।
তাং	-	ধন	তঃ	।	ঘিন	ঘিন	ধন	তঃ	।
ঘিন	-	ধন	তঃ	।	ঘিন	ঘিন	তাং	-	।

মতাং অসিদা "সাজিলা ধনী" হায়বা শৈকোন্নবী পুঙলোন মথংশিংনা লোইরে।

সাজল তাঞ্চপ - নব যৌবনি ...।

(অহানবা পদ)

নব যৌবনী ধনী জগযিনি লবনী।

+					0				
-	-	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।
-	-	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।
-	-	জ	গ	।	যি	নি	-	-	।
-	-	ল	আ	।	-	অ	-	ব	।
নী	ই	-	ই	।	ই	ই	ই	-	।
-	-	॥							

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

-	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	খেন	ধিন	খেন	-	।
ধিন	খ্রখ্র	তেন্তা	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।
-	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	খেন	ধিন	খেন	-	।
ধিন	খ্রখ্র	তেন্তা	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।
-	-	থেন	তা	।	ধিন	-তা	তঃখিং	তাং	।
ঘিন্নতাং -		-	তাং	।	-	তা	-	তা	।
তেন	-	-	তা	।	তঃ	তঃ	তাং	-	।
-	-॥								

(অনীশুবা পদ)

ধনী ধনী চান্দবদনী। (অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

+					0				
-	-	ধ	নী	।	ধ	নী	-	-	।
-	চা	আন	দ	।	ব	দ	নী	-	।
-	-	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

-	-	ধেন	তঃ	।	থেন	তঃ	-	-	।
-	ত্রেন	-	তাং	।	ধিনধেন	-ঘিন	তঃঘিন	তাং	।
-	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	ধেন	ধিন	ধেন	-	।
ধিন	খ্রখ্র	তেন্তা	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।

(অহুমশুবা পদ)

ধনী চান্দ বদনী। (অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

								ধনী	।
চা	আ	আ	আ	।	আ	আন্দ	বদ	নী	।
ই	-	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

								তেন্তা	।
তঃথেন	এখ্র	তঃথেন	তঃ	।	তেন্তাতেন্তা	তাং	ধিনধেন	ঘিন	।
-	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	ধেন	ধিন	ধে	-	।
ধিন	খ্রখ্র	তেন্তা	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।

(মরিশুবা পদ)

ধনী চান্দবদনী ধনী ধনী চান্দবদনী।

(অহুমশুবা পদ অমসুং অহানবদা পদ হঞ্জিনগনি)

+					0				
							ধ	নী	।
চা	-	-	-	।	আ	আ	আ	আন্দ	।
বদ	নী	-	ধনী	।	-ধ	নী	ধ	নী	
চা	আ	আ	আ	।	আ	আন্দ	বদ	নী	।
-	-	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

							ধেন	তঃ	।
তাতা	তাতাং	-	-	।	তঃখিত্তা	তঃখিত্তা	তঃখিত্তা	থেন	।
ধিনধেন	ঘিন	-	ধেন্তাতাং	।	-ধেন্তা	তাং	থেন	তা	।
তঃথেন	ত্রখ্র	তঃথেন	তঃ	।	তেন্তাতেন্তা	তাং	ধিনধেন	ধিন	।
-	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	ধেন	ধিন	ধেন	-	।
ধিন	খ্রখ্র	তেন্তা	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।

(মঙাশুবা পদ)

মুহিনী বেশ বানা ওলী তাই (এ)।

(অহানবদা পদ হঞ্জিনগনি)

-	-	মু	-	।	-	হি	নী	-	।
বে	-	-	-	।	শ	-	-	-	।
-	-	বা	না	।	-	ও	লী	-	।

+					0				
তা	আ	আই	আ	।	আ	আ	-	আ	।
আ	আ	-	-	।	ত্র	ইং	এএ	এএ	।
এএ	এ	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।

মথন্নী ঊশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজন্নিবা অসিনি।

-	-	থেন	তাং	।	-	ধিন	ধিন	-	।
ধিন	ধিন	ধন্তাধিন্ন	ধিন	।	ধেন	-	-	-	।
-	-	তেন্তা	তাং	।	-	তেন্তা	তাং	-	।
ধিন্তাং	ধিনধিন	তঃধিন	তঃ	।	তেন্তঃ	ধিনধিন	তঃধিন	তঃ	।
তাতেন্তাতঃ	-	-	-	।	তাংঙাতাং	তাংঙাতাং	- থেন	ধিন্ন	।
ধিন	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	ধেন	ধিন	ধেন	-	।
ধিন	গ্রগ্র	তেন্ত	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।

(তরুকশুবা পদ)

যেমন মদন ভুলে তেমনী রূপ সাজধনী।

(অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

							যে	মন	।
ম	দ	-	ন	।	ভু	লে	-	-	।
-	-	তেম	নী	।	রূ	-	-	প	।
-	-	সা	জ	।	ধ	নী	-	-	।
-	-	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

+					0		খেন	তা	।
ধিনধেন	-তা	তঃ	তৎতৎ	।	তঃতেন	তা	তঃ	-	।
-	-	থেন	তাৎ	।	তঃথেন	ত্রখ্র	তঃখেন	তঃ	।
-	-	তেন্তা	তেন্তাতাৎ	।	-ধেন	তাংঘিন	তঃথেন	তাংঘিন	।
তঃ	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	ধেন	ধিন	ধেন	-	।
ধিন	খ্রখ্র	তেন্তা	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।

(তরেৎশুবা পদ)

নীল বসন মনি মণ্ডি ভেল ধনী রতন ভুষন পরী সাজাই (এ)।

(অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

নী	-	ল	ব	।	স	ন	ম	নি	।
ম	-	ণ্ডি	ত	।	ভে	ল	ধ	নী	।
-	রত	ন	ভু	।	ষ	ন	প	রী	।
সা	-	-	-	।	জাই	-	-	-	।
এ	ইং	এএ	এ	।	এএ	ইংইং	এএ	এ	।
এ	-	ন	-	।	-	ব	যৌ	-	।
ব	-	নী	-	।	-	ধ	নী	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

ঘিন	-	তা	তঃ	।	ঘিন্তা	তেন্তা	খিত্তা	তঃ	।
তেন	-তা	তেন	তাৎ	।	ধিনধেন	-ঘিন	তঃঘিন	তাং	।
-	তৎতৎ	তঃ	খিৎ	।	তৎ	তঃ	খিৎ	তৎ	।
-ধন	ধনধন	-তৎ	তৎতৎ	।	-ধন	ধনধন	তঃ	-	
-খিত্তা	খেনঘিন	তঃঘিন	ধেনঘিন	।	-ঘিন	ধেনঘিন	তঃঘিন	তাং	।
-	-	তেন্ত্র	গ্রধিন	।	ধেন	ধিন	ধেন	-	।
ধিন	খ্রখ্র	তেন্তা	তেন্তা	।	তেন	তা	তঃ	-	।

মতাং অসিদা "নব যৌবনি" হায়বা শৈকোন্নবী পুঙলোন মথংশিংনা লোইরে।-

সাজল তাঞ্চপ - রচয়তী রাধা ...।

(অহানবা পদ)

রচয়তী রাধা সুললিত বেশং (আ)।

+					0			
র	চ	য়	তী	।	রা	-	ধা	-	।
-	-	-	-	।	সু	ল	লি	ত	।
বে	-	শং	-	।	-	-	আ	আ	।
আ	-	আ	আ	।	আ	আ	-	-	।

মথক্কী ঊশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

তং	তেন	খ্রখ্র	তেন্তা	।	তঃ	-	ধে	-	।
-	-	-	-	।	খিন	ধেন্তা	তঃখিৎ	তেন্তা	।
তঃখিৎ	তা	ধেন	-	।	-	-	তা	তা	।
তাং	-	তখিত্তাতঃ	ঘিনতেন্তাতঃ	।	ঘিন	তাং	ঘিন	-	।

(অনীশুবা পদ)

রচয়তী রাধা সুললিত বেশং (আ)।

র	চ	য়	তী	।	রা	-	ধা	-	।
-	-	-	-	।	সু	ল	লি	ত	।
বে	এ	শং	-	।	-	-	-	-	।
আ	আ	আ	আ	।	-	-	-	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা পীজরি।

+					0				
তৎ	তেন	খ্রখ্র	তেন্তা	।	তঃ	-	ধেন	-	।
-	-	-	-	।	ধিন	ধেন্তা	তঃখিৎ	তেন্তা	।
তঃখিৎ	তা	ধেন	-	।	-	-	-	-	।
তা	তা	তা	তা	।	তাৎ	-	-	-	।

(অহুমশুবা পদ)

সুললিত বেশং (২) ললিত বেশং।

(অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

সু	উ	-	ল	।	লি	ত	বে	এ	।
শং	-	-	-	।	-	-	-	-	।
সু	উ	উ	উ	।	উ	-	উ	উ	।
উ	উ	-	ল	।	লি	ত	বে	এ	।
শং	-	-	ল	।	লি	ত	বে	এ	।
শং	আ	আ	আ	।	আ	-	-	-	।
র	চ	য়	তী	।	রা	-	ধা	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরি।

ধিন	ঘিন্নগ্র	ধিন	-	।	-	থেন	তা	তঃ	।
থেন্ত্র	খ্রতাং	ঘিন	-	।	-	-	-	-	।
তৎ	তেন	তঃ	ঘিন	।	-	ধিন	ঘিন্নগ্র	ধেন্তা	।
ধেন	-	-	থেন	।	তা	তঃ	থেন্তা	তঃঘিন	।
ধেন	-	-	তৎ	।	তেন	তা	তঃ	খিৎ	।
তঃ	খিৎ	তঃ	ঘিন	।	ধেন	-	-	-	।
তৎ	তেন	খ্রখ্র	তেন্তা	।	তঃ	-	ধেন	-	।

(মরিশুবা পদ)

কাঞ্চন কঙ্কত ধৃত সখী পরি সৌজতি কুঞ্চিত (২) কতমল কেশং

(অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

+					0				
কা	-	ঞ্চ	ন	।	কং	-	ক	ত	।
ধৃ	ত	স	খী	।	প	রি	সৌ	-	।
জ	তি	-	-	।	-	-	-	-	।
কুন	-	ঞ্চি	ত	।	-	-	-	-	।
কু	-	ঞ্চি	ত	।	ক	ত	ম	ল	।
কে	এ	শং	আ	।	আ	আ	আ	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরি।

খিত্তা	তাং	-	ঘিন	।	তঃ	ঘিন	ধেন	-	।
গ্রাং	তৎ	ঘিন্তা	তখিৎ	।	তাং	ঘিন	তত্ত	খিত্তা	।
তেন	তেন	-	তা	।	তঃ	-	-	-	।
খিত্তা	তাং	-	খিৎ	।	তেন	তা	তঃ	-	।
খ্রুৎ	-	তা	তঃ	।	খিৎ	তাং	ঘিন	তা	।
তঃ	খিৎ	তঃ	খিৎ	।	তঃ	ঘিন	ধেন	-	।
তৎ	তেন	খ্রুখ্র	তেন্তা	।	তঃ	-	ধেন	-	।

(মঙাশুবা পদ)

কাঞ্চন কুণ্ডল মবিকল মুঞ্চতি সুর্য্য বিলম্বীত কিরন সুলোভা।

কা	-	-	-	।	-	-	-	-	।
আ	আ	আ	আ	।	-	ঞ্চ	-	ন	।
কুন	-	দ	ল	।	ম	বি	ক	ল	।

+					0				
মু	-	ঞ্চ	তি	।	-	ই	ই	ই	।
-	-	এ	এ	।	এ	এ	এ	-	।
সুর	-	ষ্য	বি	।	লম	-	বী	ত	।
কি	র	ন	সু	।	ল	আ	ভা	আ	।
আ	আ	আ	আ	।	আ	আ	-	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী পুঙলোন মখাদা পীজরিবা অসিনি।

খিৎ	-	ত্রেন	-	।	তাতঃ	-	তাতঃ-		।
তাং	-	তাং	-	।	-	তঃ	খিৎ	তা	।
ঘিন	তা	থেন	তা	।	তঃ	থেন	খ্রখ্র	তেস্তা	।
তেন	তেন	-	তা	।	তঃ	-	-	-	।
খিত্তা	তেস্তা	খিত্তা	তঃ	।	-	-	-	-	।
গ্রৎ	-	ঘিন	তঃ	।	ঘিন্ত্র	খ্রতাং	ঘিন	তঃ	।
তেন	তেন	তত্ত	খিত্তা	।	খিত্ত	তঘিন	তত্ত	খিত্তা	।
তেন্ত্র	খ্রতাৎ	-	তাতেস্তা	।	তাৎ	-	তাং	-	।

(তরুকশুবা পদ)

মরকট বলয়া শশোধর বিনয় মৃদুকর যুগলে যোজ্বতি সোভা।

ম	র	ক	ট	।	ব	ল	য়া	-	।
-	-	শ	শো	।	-	ধ	-	র	।
বি	ন	য়	-	।	-	-	মৃ	দু	।
ক	র	যু	গ	।	লে	-	যো	ও	।
জ্ব	তি	সো	-	।	-	-	আ	আ	।
ভা	আ	আ	-	।	-	-	-	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা পীজরিবা অসিনি।

+					0				
তা	খিত্তা	তা	ধেন	।	তা	ধিন	তাং	-	।
-	-	থৎ	থৎ	।	-	ধেন	-	তঃ	।
ঘিন্তা	তেন্তা	তাং	-	।	-	-	-	-	।
তেন	-	তেন	তেন	।	ঘিন	ঘিন	ঘিন	-	।
তাৎ	-	ততঃ	খিত্ত	।	ঘিন	তঘিন	ঘিন	তা	।।

(তরেৎশুবা পদ)

অঞ্জন মক্ষি স্ব রঞ্জতি কাঞ্চন কমলে চঞ্চন খঞ্জল গঞ্জে।

(তরুকশুবা পদ হঞ্জিনগনি)

+					0		অন	-	।
জ	ন	-	-	।	-	-	ম	ক্ষি	।
স্ব	-	-	-	।	র	আ	আ	আন	।
জ	তি	-	-	।	-	-	কান	-	।
য	ন	ক	ম	।	লে	-	-	এএ	।
এ	-	-	-	।	চন	-	য	ল	।
খন	-	জ	ন	।	গন	-	জে	এ	।
ম	র	ক	ট	।	ব	ল	য়া	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরি।

							থেন	খিত্তা	।
থেন	তঃ	-	-	।	-	-	-	-	।
ধিন	তেন	-	তেন	।	-	তেন	-	তেন	।

+					0				
থেন	খিত্তা	থেন	তঃ	।	ধিন	থেন্তা	থেন্তা	থেন্তা	।
তঃ	থেন্তা	থেন্তা	থেন্তা	।	তঃ	থেন্তা	থেন্তা	থেন্তা	।
তঃ	-	-	-	।	তা	-	তা	তঃ	।
-	থেন	-	ধিন	।	থেন	ধিন	তাং	-	।
তা	খিত্তা	তা	ধেন	।	তা	ধিন	তাং	-	।

(নিপানশুবা পদ)

গুরুকুচ্চ যুগলে চিত্রং বিলক্ষতি কাঞ্চন (২)

যতইব রুচিরস পূঞ্জ (২) রে।

গু	-	-	-	।	রু	-	-	-	।
-	-	-	কু	।	-	চ্চ	যু	গ	।
লে	-	-	-	।	চি	-	ত্রং	-	।
বি	ল	-	ক্ষ	।	তি	-	কা	-	।
-	ঞ্চ	ন	-	।	-	-	-	-	।
কা	-	ঞ্চ	ন	।	য	ত	ই	ব	।
রু	চি	র	স	।	পুন	-	-	জ	।
পুন	-	-	জ	।	রে	এ	এ	-	॥

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরি।

থিৎ	-	ঘিন	থিৎ	।	-	ধিন	ঘিন্নগ্র	ধেন্তা	।
ঘিন	থিৎ	-	ধিন	।	-	তা	তেন্তা	তেন্তা	।
তাং	-	-	-	।	ত্রেন	-	তা	-	।

+					0				
থেন্তা	থেন	-	ধিন	।	তাং	-	খিং	তা	।
তঃ	তঃ	তাং	-	।	-	-	-	-	।
তাং	-	তা	তঃ	।	খিং	তাং	ঘিন	তঃ	।
তেন	তেন	তত্ত	খিত্তা	।	খিত্ত	তঘিন	তত্ত	খিত্ত	।
তেন্ত্র	খ্রতাং	-	তাতেন্তা	।	তঃ	-	তাং	-	।

(মাপনশুবা পদ)

তদুপরি মৌটিক দাম যোজতি গিরিযুগ শেযে তারক মাল কাঞ্চন বিসাদদি
রুচিতর মৃদুভুজ যুগলে তাল বিসাল॥

(নিপানশুবা পদ হুঞ্জিনগনি)

ত	দু	প	রি	।	মৌ	-	টি	ক	।
দা	-	ম	যো	।	-	জ	তি	-	।
-	-	-	-	।	গি	রি	যু	গ	।
শে	-	যে	-	।	তা	-	র	ক	।
মা	-	ল	-	।	-	-	-	-	।
কান	-	য	ন	।	ক	ম	ল	বি	।
সা	-	দ	তি	।	রু	চি	ত	র	।
মৃ	দু	ভু	জ	।	যু	-	গ	লে	।
-	-	-	-	।	তা	-	ল	বী	।
স	-	-	-	।	ল	ও	ও	-	।
শু	-	-	-	।	রু	-	-	-	।
-	-	-	কু	।	-	চ্চ	যু	গ	।
লে	।								

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরি।

+					0				
তৎ	তৎ	তঃ	খিৎ	।	তৎ	ধেন	তঃ	-	।
ধন	ধন	তঃ	ঘিন	।	-	তেন	তঃ	-	।
-	-	-	-	।	ঘিন	তঃ	ঘিন্তা	তেন্তা	।
খ্রৎ	-	তঃ	-	।	তা	-	তা	তঃ	।
তেন্তা	তেন্তা	তাং	-	।	-	-	-	-	।
খিৎ	-	তা	তঃ	।	খিত্তা	তেন্তা	খিত্তা	তঃখিৎ	।
তাং	-	তা	তঃ	।	তেন	তঃ	তা	তঃ	।
খিত্তা	তেন্তা	-	খিত্তা	।	তঃখিৎ	তাং	ঘিন	-	।
তা	-	ততঃ	খিত্ত	।	ঘিন	-তঘিন	ঘিন	তা	।
তঃ	খিৎ	তা	ঘিন	।	-	-	-	-	।
খিৎ	-	ঘিন	থিৎ	।	-	ধিন	ঘিন্নগ্র	ধেন্তা	।
ঙিন	থিৎ	-	ধিন	।	-	তা	তেন্তা	তেন্তা	।
তাং	।								

মতাং অসিদা "রচয়তী রাধা" হায়বা শৈকোন্নবী পুঙলোন মথংশিৎনা লোইরে ।

-॥-

সাজল তাঞ্চপ - দহতি মদনা নলে ...।

(অহানবা পদ)

দহতি মদনা নলে গুনি তহি কান্তং কিং ধর জয় মিপ্রান।

+					0				
দ	হ্	তি	ম	।	দ	না	-	ন	।
লে	-	-	-	।	গু	নি	ত	হি	।
কান	-	তং	-	।	-	-	-	-	।
কিং	ই	ই	ই	।	ঈ	ঈ	ঈ	-	।
ধ	- র	জ	য়া	।	-	মি	প্রা	-	।
ন	-	-	-	।	আ	আ	আ	-	।

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

ধিন	ঘিন্নগ্র	ধিন	ধেত্তা	।	তঃখিৎ তা		-	ধিন	।
ধেন	-	-	-	।	ধত্তা	তত্ত	খিত্তা	তঃ	।
তত্ত	ভত্ত	খিত্তা	তঃ	।	-	-	-	-	।
তেন	তা	তেন	তা	।	তেন্তা	তেন্তা	তাং	-	।
ধেন	-	তা	থেন	।	-	তা	ধিন	-	।
ধেন	-	-	-	।	ঘিন্নঘিন	-	ঘিন	-	।

(অনীশুবা পদ)

প্রিয় সখি মমদমসি জীতজাই সেতেয়ং কিংধর জয়মি প্রান।

(অহানবা পদ হঞ্জিনগনি)

+					0				
প্রি	য়	স	খি	।	ম	ম	দ	- ম	।
সি	-	-	-	।	-	-	-	-	।
জী	ই	এ	এ	।	ই	ই	এ	এ	।

+					0				
ঈ	ঈ	ঈ	ঈ	।	ঈ	ঈ	ত	জাই	।
-	সে	তে	-	।	য়ং	-	-	-	।
কিং	ই	ই	ই	।	ঈ	ঈ	ঈ	-	।
ধ	- র	জ	য়া	।	-	মি	প্রা	-	।
ন	-	-	-	।	আ	আ	আ	-	।
দ	হ	তি	ম	।	দ	ন	-	ন	।
লে	।								

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরি।

থেন	তা	তঃ	ঘিন	।	তত্ত	খিত্তা	ঘিন	-	।
ধেন	-	-	-	।	-	-	-	-	।
ধন্তৎ	তত্ত	খিত্তা	তঃ	।	তত্ত	তত্ত	খিত্তা	তঃ	।
ধিন	তেন	ধিন	তেন	।	ধিন	তেন	-	থেন	।
-	তা	ধিন	-	।	ধেন	-	-	-	।
তেন	তা	তেন	তা	।	তেন্তা	তেন্তা	তাং	-	।
ধেন	-	তা	থেন	।	-	তা	ধিন	-	।
ধেন	-	-	-	।	গ্রঘিন	-	ঘিন	-	।
ধিন	ঘিন্নগ্র	ধিন	ধেন্তা	।	তঃখিৎ	তা	-	ধিন	।
ধে	।								

(অহুমশুবা পদ)

জনম দুসখিনি প্রানা হামু দুব্বলিনী। কিং ধরজযামি প্রানা।

(অহানবা পদ হঙ্জিনগনি)

+					0				
জ	-	ন	-	।	ম	-	দুস	-	।
খি	-	নি	-	।	প্রা	আ	আ	না	।

+					0				
হ্যা	-	মু	-	।	-	-	দু	বর্ব	।
লি	-	নি	-	।	-	-	-	-	।
কিং	ই	ই	ই	।	ঈ	ঈ	ঈ	-	।
ধ	-র	জ	য়া	।	-	মি	প্র	-	।
না	-	-	-	।	আ	আ	আ	-	।
দ	হ	তি	ম	।	দ	না	-	ন	।
লে	।।								

মথক্কী ঈশৈ অসিগী কোন্নবী পুঙলোন মখাদা ইজরিবা অসিনি।

থেন	-	তাং	-	।	খিৎ	-	তঃ	-	।
থেন	তাং	খিৎ	খিৎ	।	তঃ	খিৎ	তাৎ	-	।
ত্রেন	-	-	তা	।	তঃ	খিৎ	তাৎ	-	।
ধিন	ঘিন্ন	ধিন	ঘিন্ন	।	ধিন	ঘিন্ন	ধেন	-	।
তেন	তা	তেন	তা	।	তেন্তা	তেন্তা	তাং	-	।
